সি ঐচ আর আই
২০১৫

# ৱাফম ১০১ ঐখোয়না পুলিসকি মতাঙদা খঙনিংবা অদুবু হংবদা য়াম্না কিবা ফাওবা




সি ঐচ আর আই
কম্মনৱেল্থ হ্যুমেন রাইতস ইনিশিএটিব

কম্মনৱেল্থ লৈবাকশিংদা মীওইবগী হকশিংগী আশাবু শোয়দনা থবক ওইনা ওন্থোক্নবা চৎনবীশিং পাঙথোক্লি

# কম্মনৱেল্থ হ্যুমেন রাইতস ইনিশিএটিব

কম্মনৱেল্থ হ্যুমেন রাইতস ইনিশিএটিব (সি ঐচ আর আই) অসি মনীং-মখা তম্বা, কাঙলুপ নাইদবা কম্মনৱেল্থ লৈবাকশিংদা মীওইবগী হকশিংগী আশাবু শোয়দনা থবক ওইনা ওন্থোক্লনবা অয়াবা য়াওরবা ইন্টর্নেসনেল নন-গবর্ণমেন্টেল ওর্গনাইজেসন অমনি। ইং কুমজা ১৯৮৭ দা, কম্মনৱেল্থ প্রোফেসনেল এসোসিএসনশিংময়াম্না সি ঐচ আই আর লিংখৎখী। মখোয়না থাজে, ময়াম্না য়ানরবা থবক হৌনবগী সেট ওফ ব্যেল্যুজ অমসুং আইনগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং মেম্বর লৈবাকশিংদা পীরিঙৈ অমদি মীওইবগী হকশিং থাঙগৎনবা মীয়াম তিনফম অমা পীরিঙৈদা, কম্মনৱেল্থ মনুংদা মীওইবগী হককি হীরমশিংদা থৱায় খরা খক্তং চঙশিনলি।

সি ঐচ আই আরগী পান্দমশিংদি কম্মনৱেল্থ হারারে প্রিন্সিপলশিং, য়ুনিবর্সেল ডিক্লিয়ারেসন ওফ হ্যুমেন রাইতস অমসুং অতোপ্পা ইন্টর্নেসনেলগী থাক্তা খঙনরবা হ্যুমেন রাইতসকি পাম্বৈশিং, লোয়না লোয়ননা কম্মনৱেল্থ মেম্বর ষ্টেটশিংদা হ্যুমেন রাইতস ঙাক্লৌ ওইরিবা লৈবাক মনুংগী ওইবা পাম্বৈশিংবু মীয়ামদা খঙননবা থাঙগৎপা (প্রোমোট) অমদি ঙাক্তুনা চৎপনি।

মখোয়গী রিপোর্টশিং অমসুং তাঙ্কক নাইবা থি-হুম্বশিংদগী কম্মনৱেল্থ লৈবাকশিংদা হ্যুমেন রাইতসতা থোকপা চাউখৎ-থৌরাঙ অমসুং য়ৈখায়বশিংদা সি ঐচ আই আরনা লেপ্তনা মীৎয়েং চীংশিনলি। মীওইবগী হকশিং লান্না শীজিন্নবদগী মাঙজৌননা ঙাকথোক্লবা পাম্বৈশিং অমসুং পোরমশিং ঙাকখৎনবগীদমক্তা সি ঐচ আই আরনা দি কম্মনৱেল্থ সেক্রেটারিয়েট, মেম্বর গবর্ণমেন্টস অমসুং সিবিল-সোসাইটি এসোসিএসন্দশিংদা ৱাখল্লোনশিং ফোঙদোকই। মখোয়গী পব্লিক এডুকেশন প্রোগ্রেমস, পোলিসি ডাইলোগস, কম্পারেটিব রিছর্স, এডভোকেসি অমসুং নেটৱোর্কিঙগী মতেঙদগী মরুওইবা হীরমশিংগী মথৌ পাঙথোকপদা সি ঐচ আই আরগী চঙশিনগদবা পাম্বৈশিংনা মতম পুম্নমক্তা খোঙজেল য়াঙহল্লি।

সি ঐচ আই আরনা ওর্গনাইজেসনশিং ঙাকখৎপগী মওং মতৌ অসিনা জাতি অমা শরুক য়াহনবদা নত্তনা জাতিশিংগী মরক্তসু মরী অমা পুরকপা য়াহল্লি। মখোয়গী থৌ পুরিবা মীওইশিংনসু হ্যুমেন রাইতসকি নিয়মশিংবু মখোয় মশাগী থবক্তা অমতা ওইহন্দুনা পব্লিক্কি পোলিসিবু মমায় চুমহনবা ঙমই অমসুং হ্যুমেন রাইতসকি ঈ-পাউ, ষ্টেন্দর্দস অমসুং চৎনবীশিং শন্দোকপদা পাউজেল পুবা অমা ওইনা লৈ। হায়রিবা গ্রুপশিং অসিনসু মরমদমগী ওইবা জ্ঞান পুশিনলকই, পোলিসি শেম্বশিংদা চঙবা ঙমই, হীরমশিং উথোকই, অমসুং পুল্লপ পুন্দুনা হ্যুমেন রাইতসপু শৌগৎলি।

সি ঐচ আই আর অসি ন্যু দিল্লি, ইন্দিয়াদা, য়ুফম ওই অমসুং মসিগী ওফিসশিং লন্দন, য়ু কে, অমসুং এক্রা, ঘানাদা লৈ।

ইন্টর্নেসনেল এডভাইজারি কম্মিসন: য়েসপাল ঘাই – চিয়ারপার্সন। মেম্বরশিং: শাম ওকুদজেতো, এলিসন দুক্সবুরি, নেভিল্লে লিনতোন, ৱাজাহাত হাবিবুল্লাহ, ভিভেক মারু, এডৱার্ড মোরটিমর, মাজা দারুৱালা।

একজিক্যুটিব কম্মিটি (ইন্দিয়া): ৱাজাহাত হাবিবুল্লাহ –চিয়ারপার্সন। মেম্বরশিং: বি.কে. চন্দ্রাসেখর, নিটিন দেসাই, সঞ্জোয় হাজারিকা, কমল কুমার, পুনম মুট্রেজা, রুমা পাল, জেকোব পুন্নোসে, এ পি সাহ, মাজা দারুৱালা।

একজিক্যুটিব কম্মিটি (ঘানা): শাম ওকুদজেতো – চিয়ারপার্সন। মেম্বরশিং: একোতো এমপার, কোফি ক্বাসিগাহ, য়াসপাল ঘাই, ৱাজাহাত হাবিবুল্লাহ, নেভিল্লে লিনতোন, জ্যুলিএট ট্রাক্লি, মাজা দারুৱালা।

একজিক্যুটিব কম্মিটি (য়ু কে): নেভিল্লে লিনতোন – চিয়ারপার্সন। মেম্বরশিং: রিচার্দ বোর্নে, মিনাকসি ডাহর, ক্লারে দৌবে, ফ্রানসেশ হেরিসন, দেরেক ইনগ্রাম, রিতা পায়নে, পুরনা সেন, সয়েদ সারফুদ্দিন, জোয় সিলবা, মাইকেল ষ্টোন।

*কম্মনৱেল্থ জর্নেলিষ্ট এসোসিএসন, কম্মনৱেল্থ লোয়রস এসোসিএসন, কম্মনৱেল্থ লিগেল এডূকেশন এসোসিএসন, কম্মনৱেল্থ পার্লিয়ামেন্টারি এসোসিএসন, কম্মনৱেল্থ প্রেস য়ুনিয়ন এন্দ কম্মনৱেল্থ ব্রোডকাষ্টিঙ এসোসিএসন।

আই এস বি এন : ৮১-৮৮২০৫-৬৭-২
(সি) কম্মনৱেল্থ হ্যুমেন রাইতস ইনিশিএটিব, ২০০৯। হাপচিনবা/অমুক হন্না নমথোকপা ফেব, ২০১৫
রিপোর্ট অসিগী মচাক হৌরকফমদা চপ-চানা থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোক্তুনা শীজিন্নবা য়াগনি।

সি ঐচ আর আই হেডক্কাটর্স,
ন্যু দিল্লি
৫৫এ,থর্দ ফ্লোর
কালু সারাই
থর্দ ফ্লোর
ন্যু দিল্লি ১১০০১৬, ইন্দিয়া
ফোন: +৯১-১১-৪৩১৮-০২০০, ৪৩১৮-০২০১
ফেক্স: +৯১-১১-৪৬১৮-০২১৭
info@humanrightsinitiative.org

সি ঐচ আই আর য়ুনাইটেদ কিঙদম,
লন্দন
ইন্সটিট্যুট ওফ কম্মনৱেল্থ ষ্টদিজ
২৮, রুসেল স্কৱার
লন্দন WC1B5DS, য়ু কে
ফোনঃ +৪৪-০-২০৭-৮৬২-৮৮৫৭
ফেক্সঃ +৪৪-০-২০৭-৮৬২-৮৮২০
chri@sas.ac.uk

সি ঐচ আর আই অফ্রিকা,
এক্রা
হাউস নম্বর ৯, সামোরা মাচেল
ষ্ট্রিট এসাইলম দাউৱন
ওপোজিট বেভরলি হিলস হোতেল
নিয়র ক্রুষ্ট টৱার্স, এক্রা, ঘানা
ফোনঃ +২৩৩-৩০২-৯৭১১৭০
টেল/ফেক্সঃ +২৩৩-৩০২-৯৭১১৭০
chriafr@africaonline.com.gh

www.humanrightsinitiative.org

# ৱাফম ১০১ ঐখোয়না পুলিসকি মতাঙদা খঙনিংবা অদুবু হংবদা য়াম্না কিবা ফাওবা



অইবশিং : নাভাজ কোটৱাল

মাজা দারুৱালা

# ৱাহৌদোক

ঐখোয়গা পুলিসকা নুমিৎ খুদিংগী থেংনদুনা লৈ। ঐখোয়না মখোয়বু মখোয়গী মথৌ ময়ামশিংদা-ত্রাফিক চৎনহনবা, ভি আই পীশিং ঙাকশেনবা, মীয়াম পুনবশিং লাকশিনবা, প্রজানা কোর্ট কাবদা ঙাকশেন্নবা, প্রমান পীবা, পুলিস ষ্টেসন্দা ৱাকৎশিং হাপচিনবা নত্রগা ক্রিমিনেলশিং অমসুং লালহৌবশিংগী মথক্তা থবক পায়খৎপদা চীনবা উই। ঐখোয়নসু পুলিসকি মতাঙদা ময়াম অমা ঈ-পাউ, চে-চাংশিং অমদি টি ভি অমসুং চীনবান্দথোক্কী ৱাহৈদগী তাবা ফংঙি। মীওই খুদিংনা পুলিসকি মতাঙদা মোৎ ফোঙদোকই অদুবু মসি তোয়না লোয়না থাগৎতুনা পেলহনবগী ৱাফমদি ওইদে। অশেংবগীদি মীওই অয়াম্বনা মখোয়গী মতাঙদা লৈবা ৱাফম খরা খক্তং খঙই।

ঐখোয়গী ডেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অসিদা পুলিসপু য়ুনিফোর্ম শেৎহন্দুনা প্রজাবু নমথনবা অমসুং মখোয়বু লাকশিন্দুনা থম্নবা পৱার পায়রিবা সরকারগী এজেন্টশিং ওইনা লৈতে। মদুগী মহুত্তা, মখোয়দি ফাইয়র ব্রিগইড নত্রগা রেবন্যূ সার্বিসশিংগুম্না মখোয়গী মতেঙদগী আইন্না ঐখোয় অমমম্ পুম্নমকপু খুদোংথীবদগী ঙাকথোক্লবা অমসুং অশোয়-অঙাম য়াওদনা থম্নবগী মথৌ লৈবা য়াম্না দরকার ওইবা সার্বিস অমনি। ব্যুরোক্র্যেটশিংগুম্না, পুলিসসু নাগরিকশিংনা মমল পীবা অমসুং মখোয়গী সার্বিসকিদমক্তা লৈবা পব্লিক সার্বেন্টশিংনি।

পুলিসনা ঐখোয়গীদমক মথৌ অমা লৈবগুম প্রজানসু মখোয়গী মায়কৈরোমদা মথৌ অমা লৈরি। দায়ীত্বা লৈবা নাগরিকশিং ওইনা মখোয়বু অকিবা ফাওবা অমসুং পামজদবা নত্রগা ঐখোয়গী খুদোংথীবা তারবা মতমদা খক্তং মখোয়গী মনাক্তা উনবা চৎপা হায়বসি মতীক চাদে হায়না লৌবা য়াই। প্রজা অমসুং পুলিসনা পুল্লপ পুন্দুনা আইনবু চৎনহন্নবা থবক তৌমিন্নগদবনি। মখোয়গী থবক অমদি শীংনবশিং, মখোয়না করি তৌরি অমদি করম্বা মওংদা মদু করম্না পাঙথোকই, মখোয়গী ওর্গনাইজেসনশিং করম্না লৈবগে অদুগা লোয়না লোয়ননা মখোয়গী পৱার অমসুং মথৌগী ঙমখৈশিং খঙবা য়াম্না মরু ওই। ঐখোয়না ইশা-ইশাগী হকশিং অমসুং ইথৌশিং খঙজিনবসু য়াম্না মরু ওই অদুম্না তৌরবদি মীওই কনা অমওনা পুলিসনসু নাগরিকশিংনসু আইন থুগায়বা অমসুং মসি তৌরম্লগা নাম্বোক্তুনা চেনবা ঙমলোয়। মসিনি রুল ওফ লো করিনো হায়বসি।

মসিগী লাইরিক মচা অসি নখোয়না নখোয়গী পুলিসপু খঙজিনবগী অরায়বা গাইড (লমজিন লমতাক) অমনি। করিগুম্বা পুলিসমেন অমনা অরানবা তৌরবদি লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ঈ-পাউশিং অসিগী মতেঙদগী নহাক্না তুমিন্না ফমদুনা লৈবগী মহুত্তা শোয়দনা নহাক্কী খোঞ্জেল থাংগৎহনগনি। মসি ঐখোয়না ফজনা খঙলবা মতমদা খক্তংনি মদুদি ঐখোয়না থাজবগা লোয়ননা ৱা পুখৎপা ঙমদৌরিবশি, অমসুং মসি ঐখোয়না অরানবগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙথোকপা ঙম্লবা মতমদা খক্তংনি ঐখোয়গী ফীভমশিং হোঙগদৌরিবা অসি। মসিগী লাইরিক অসি মখোয়গী লৈরিবা পুলিসকি অমসুং মখোয় মশাগী হকশিংগী মতাঙদা লোয়না খঙলবা প্রজাশিংনা জ্ঞান অসি ঐখোয় পুম্নমক্না ফংফম থোকপা হেন্না ফাবা পুলিস সার্বিস তানবদা শীজিন্নগনি হায়বগী আশাদা পুথোরকখিবনি।

লোন্ হন্দোকপা
মাইমোম ইঙোচা

ৱাখল্লোন, মীৎয়েং তাহনবা অমসুং মওং-মরীন শেমগৎপা:
চেনথিলকুমার পারামাশিভম

শক্তমশিং উৎপা: সুরেশ কুমার

## ১. করিগীদমক্তা ঐখোয়গী পুলিস ফোর্স লৈরিবনো?



নাগরিকশিংবু অশোয়-অঙাম অমসুং খুদোংথীবদগী ঙাকশেন্নবগী ৱাখল্লোন অমদা ঐখোয়গী পুলিস ফোর্স লৈরিবনি। পুলিসশিং অসি সমাজগী শান্তি অমসুং নিয়ম-চৎনরোল ঙাক্লনবা অদুগা লোয়ননা ক্রাইম মাঙজৌননা ঙাকথোক্লবা অমসুং পুথোক্লবা লৈরিবনি। মখোয়শিং অসি আইন চৎনহনবা – হায়বদি পুলিস মশামক য়াওনা ময়াম খুদিংমকপু শুকশোই-শোয়দনা খোঙথাঙ খুদিংদা আইনবু ইনহন্নবা লৈরিবনি।

## ২. পুলিসনা করি-করি মথৌ পাঙথোকপা দরকার ওইবগে?



খুৎথেঙননা ফারে

পুলিসকি মথৌ মঙম য়াম্না লৈ: মখোয়না আইন কায়বা থবকশিং (ক্রাইম) মাঙজৌননা ঙাকথোকপা অমসুং লাকশিনগদবনি অমসুং মসি থোকপা মতমদা মওং চানা পুথোকপা অমসুং থিজিন হুমজিনগদবনি। মখোয়না সরকারগী উকিলশিংগীদমক্তা (প্রোসিক্যুটর) বিচারগী লোয়শঙদা (কোর্ট) লেপ্পনবগীদমক্তা অশেংবা সাক্ষিদা য়ুম্ফম ওইবা থৌদোকশিংবু শেম-শাদুনা থৌরাঙ তৌগদবনি। পুলিসকি ফোর্সনা অপুনবা আইন অমসুং নিয়ম ঙাকপগী দায়ীত্বা অমা লৈ, মরম অসিনা মখোয়না ঙাকশেনলিবা কাঙলুপ অদুগী মনুংদা অমসুং অকোয়বদা থোকপা থৌদোকশিংগী মতাঙদা ঈ-পাউ খোমজিল্লী।

## ৩. পুলিসকি পৱার হায়বসিনা করি ফোঙদোকপবগে?




পুলিসকি তোঙান তোঙানবা মখল মখাগী পৱারশিং লৈ, হায়রিবা ময়াম অসি আইন্না পীবনি, অমসুং মখোয় অসি আইন্না পীরল্লিবা নিয়মগী মতুং ইন্না খক্তা শীজিন্নগদবনি। মখোয়শিং অদুদি মী ফাবা, থিব-হুম্বা অমসুং খুদুম চনবা, কা হেনবা থৌদোকশিং থিজিনবা, সাক্ষি ওইবশিংবু ৱা হংবা, চিংনবা মীওইংশিংবু চপ্তুনা হংবা, নিয়ম ইন্দবা মীয়ামশিংবু তানখায়বা অমসুং খুনাইগী নিয়ম-চৎনরোল ঙাকপনচিংবনি, অদুবু মখোয়না আইন্না পীরম্বা মওংদা য়াম্না চেকশীন্না থৌরম ময়াম অসি পাঙথোক্কদবনি অমসুং অতোপ্পা মখোয়গী খঞ্জবা মওং নত্রগা হেক্তা অপাম্বা অমদা তৌবা য়াদে। পৱারবু লান্না হেক্তা শীজিন্নবা নত্রগা থওইদবা থোক্লবদি মদু থকশি-খাশি নাইদবা, মীচম মীয়ামদা মীনম্বা নত্রগা আইন্না য়াদবা অরানবা তৌবনি হায়না লৌগনি অমসুং হায়রিবা পুলিস ওফিসার অদু চৈরাক পীবা য়াই।

## ৪. ইন্দিয়া পুম্বদা পুলিসকি ফোর্স অমখক্তং লৈবরা?

লৈতে, ষ্টেট অমমম্ খুদিংগী মশাগী পুলিস ফোর্স লৈজে অমসুং মদু হায়রিবা ষ্টেট সরকার (গবর্ণমেন্ট) অদুগী মখাদা লৈগনি। মতৌ অসুম্না লৈবাক অসিদা পুলিস ফোর্স ময়াম অমা লৈ। সেন্ট্রেল গবর্ণমেন্টকি ডাইরেক্ট মখাদা লৈবা লমশিং হায়বদি

কোনুং দিল্লি, চান্দিগড়, পোন্দিছেরি, দামান এন্দ দিয়ু, লক্ষস্বদিপ আইলেন্দশিং, দদ্রা অমসুং নাগর হাভেলি অমসুং এন্দামান এন্ড নিকোবার আইলেন্দশিংদা থবক তৌরিবা পুলিসশিং অসিদি সেন্ট্রেল গবর্ণমেন্টকি মখাদা লৈবনি।

## ৫. প্যেরা-মিলিত্রি ফোর্সেস হায়বা অসিনা করিনো?

প্যেরা-মিলিত্রি ফোর্সেস হায়বদি সেন্ট্রেল রিজার্ব ফোর্স (সি আর পি এফ), বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ), অসাম রাইফলস, ইন্দো টিবেতান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি) অমসুং নেসনেল সেক্যুরিটি গার্ড (এন এস জি) গুম্বা অসিদি সেন্ট্রেল গবর্ণমেন্টনা খুৎলায় পায়হন্দুনা ঙাকশেনগীদমক্তা লিংখৎখীবা ওর্গনাইজেসনশিংনি অমসুং মখোয়দি অখন্নবা (স্পিসিএল) মথৌগীনি। মখোয় অসি আর্মীগী মওংদা শেমগৎলি অমসুং মদুনা মরম ওইদুনা প্যেরা-মিলিত্রি কৌবনি। মখোয়না কাউন্টর ইর্স্‌জেন্সি ওপরেসনশিং, লালহৌবগী মায়োক্তা চথবা থবকশিং নত্রগা মীচম প্রজানা ঈরাং হৌবা মতমদা নমথনবগীদমক্তা পুলিসকি মতেঙ পাংবা ওইনা লৈ।

## ৬. কনাগুম্বা হেক্ মীওই অমনা পুলিস ওফিসার অমা ওইবা য়াবরা?

হোয়, মীওই অমনা হেক্তা পুলিস ওফিসার অমা ওইবা য়াই। অদুম ওইনমক অকল্লবা ফম অদুগীদমক্তা পীরম্বা ফীভমশিং অমসুং লেপ্পরবা অয়াবশিং অদু নঙনা মপুং ফাহনগদবনি। খুদম ওইনা কনষ্টেবল অমা ওইনা চঙগে হায়রবদি নঙনা য়ামদ্রবদা হায়স্কুল লোয়শীনবা দরকার ওই। সব-ইন্সপেক্টর অমা ওইনা চঙগে হায়রগদি নহাক গ্রেজুএইট ওইবা দরকার ওই।



## ৭. ঐহাক্না মতৌ করম্না পুলিস ওফিসার অমা ওইবা ঙমগনি?

থাক অহুমদা নঙনা ফোর্সতা চঙবা য়াই। অহানবদা, ষ্টেটকি থাক্তা কনষ্টেবল অমা ওইনা চঙলগা দিপুটি সুপরিন্টেণ্ডেন্ট ফাওবা কাবা। অনীশুবদা, সব-ইন্সপেক্টরদগী হৌরগা ডিষ্ট্রিক্ট অমা পুরিবা সুপরিন্টেণ্ডেন্টগী ফম ফাওবা কাবা য়াবা ওইনা নঙনা চঙবা য়াই।

কনষ্টেবল অমদি সব-ইন্সপেক্টরগীদি রিটন এন্ট্রান্স টেষ্ট অমা য়াওগনি। মদু নঙনা মায় পাক্লবদি নহাক ফিজিকেল টেষ্ট অমগী চৎকনি। হায়রিবা টেষ্ট অসি নঙনা মায় পাক্লবদি নহাকপু ইন্টরব্যূগীদমক্তা কৌরক্কনি। মসিগী মতুংদা নহাক্কী হকচাংগী ফীভম ফৈ নত্রগা ফত্তে লেপনরবা মেডিকেল চ্যেক অমা তৌগনি। হায়রিবা ময়ামশিং অসি পুল্লপ লোইরবা মতমদা খক্তং অরোইবা সেলেক্সন পাঙথোক্কনি।

অমারোমদা আই পি এস ওফিসারশিংদি সেন্ট্রেলগী থাক্তা খনলী (রিক্রুইত) অমসুং মখোয়গী থাক অসি এডিসনেল / এসিষ্টেন্ট সুপরিন্টেণ্ডেন্ট ওইনা নত্রগা সুপরিন্টেণ্ডেন্ট ওফ পুলিসতগী ওইনা হৌই।

## ৮. আই পি এস হায়বসি করিনো?

আই পি এস হায়বসি ইন্দিয়ান পুলিস সার্বিসকি অতেনবনি অমসুং গবর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ওল ইন্দিয়া সার্বিসেস অহুমগী মনুংদা অমনি (অতোপ্পা অনী অদুনা ইন্দিয়ান এডমিনিষ্ট্রেটিব সার্বিসেস অমসুং ইন্দিয়ান ফোরেষ্ট সার্বিসনি)। হায়রিবা জেনরেল পুল অসিদগী পুলিস ওফিসারশিং কৌখৎলী অমসুং লৈবাক্কী মফম খুদিংমক্তা সেনিয়র পোষ্ট পায়নননবা থায়।

## ৯. ঐনা মতৌ করম্না আই পি এস ওইবা য়াগনি?

অহানবদা, নঙনা য়ুনিয়ন পব্লিক সার্বিস কম্মিসন (য়ু পি এস সি) না পাঙথোকপা প্রিলিমিনারি অক্যজাম হায়না খঙনবা অমা থাগনি। তাং অমসুং থাফম মতম মতমগী মতুং ইন্না লৈকায়গী অমসুং নেসনেলগী ঈ-পাউচেশিংদা ফোংগনি। মদু মায় পাক্লবদি মেন রিটন অক্যজাম অমা থাগনি।

নঙনা রিটন অক্যজামিনেসন অসি মায় পাক্লবদি ইন্টরব্যু বোর্ড অমনা নহাকপু ইন্টরব্যু লৌগনি। খনল্বা মতুংদা নঙনা চঙবা পাম্বা অকক্লবা সেণ্ট্রেল সার্বিস হায়বদি- ফোরেণ্ড, এডমিনিষ্ট্রেটিব, পুলিস, ফোরেষ্ট নত্রগা রেভেন্যু খলন্নবা হংগনি। খেন্নবা সিবিল সার্বিসেসতা পীরিবা ফমশিং মেরিত্তা য়ুম্ফম ওইবনা, করিগুম্বা নম্বর য়াম্না ফংলবা মতমদা খক্তা নঙনা অপাম্বা সার্বিস ফংবা ঙমগনি।




## ১০. আই পি এস ওফিসার অমা ওইনা ঐনা করি ত্রেনীং ফংগদগে?

আই পি এসতা ফাওণ্ডেসন কোর্স অমা মুসোরিদা লৈবা লাল বহাদুর সাস্ত্রি একাডেমী ওফ এডমিনিষ্ট্রেসন্না পী। মসিগী মতুংদা হায়দর্বাতা লৈবা নেসনেল পুলিস একাডেমীনা পীবা বেসিক ত্রেনীং কোর্স অমনা মতুং ইনলি। তুংদা, মতম মতমগী ওইবা ইন-ত্রেনীং সার্বিস পীবসু লৈ।

## ১১. অতোপ্পা ফমশিংগীনা করম্বা মখলগী ত্রেনীং ফংই?

অহানবদা, মখোয়বু আওটডোর ফিজিকল ত্রেনীং পী অমসুং খুৎলায়শিং শীজিন্নবগী, ফার্ষ্ট এড, রাইওট কন্ট্রোল অমদি খুৎলায় য়াওদনা লান পাবা অসিনচিংবগী ত্রেনীংসু ফংই। মখোয়নসু ক্রিমিনেলগী আইনশিং অমদি চৎনা-পথাপ, থি-হুম্বগী মওং মতৌশিং, মীয়াম লাকশীন্নবা অমসুং মতৌ করম্না মথৌ পাঙথোকপা মতমদা থেংনরক্কদবা ফীভমশিং মায়োক্লগনি নৈনবা ক্লাসরুম ত্রেনীংসু ফংই।

## ১২. লৈবাক অসিদা পুলিসকি ষ্টেসন কয়ামুক লৈবগে?

জানুৱারী ২০১৩ ফাওবদা লৈবাক অসিদা নুপীগী পুলিস ষ্টেসন ৫০২ থারগা পুন্না ১৪,৩৬০ পুলিস ষ্টেসন লৈরে।

## ১৩. ঐখোয়গী মশীং শুনা মতীক চারবা পুলিস ওফিসারশিং লৈরব্রা?

লৈতে, য়ুনাইটেড নেসন্স ষ্টেন্দর্ডসকি মতুং ইন্না মীওই ১০০০০০ খুদিংগী পুলিস ওফিসার ২৩০ লৈফম থোকই। তৌইগুমসুং, ইন্দিয়াদা মীওই ১০০০০০ খুদিংগী পুলিস ওফিসার ১৩৬ খক লৈ। মসি পৃথিবীদা মী মশীংগা পুলিসকা য়েন্থোক্লবদা খ্বাইদগী নেম্বশিংগী মনুংদা অমনি। লৈবাক অসিদা অহাংবা ফম ময়াম অমা মেনশিন্দনা লৈরি। সরকারনা পুলিস পার্সোনেল লাখ ২২ কায়থখ্রবশু তাশেংনা লাখ

১৬.৬ খক্তং সার্বিসতা লৈ। মসিগী অর্থদি চাদা ২৪.৮ গী চাংদা অৱাৎপা লৈরে হায়বনি।

অদুবু মসিনসু অপুনবা মীৎয়েং থমদ্রি, মরমদি অচৌবা সহরশিংনা সহর মচাশিংদগী পুলসকি মশীং হেন্না থমই। অদুগী মথক্তা, পুলিস ওফিসার ময়াম অমা মশীং য়ামদবা মরু ওইবা মীওই খরখক্তং ঙাকশেনবদা শীজিন্নরি। মসিদগীসু হেন্না পুলিস পার্সোনেল ময়াম অমগী মতমসু এডমিনিষ্ট্রেটিব অমসুং ট্রাফিক্কী মথৌদা চিনলী। মসিগী ফলনা, ক্রাইমবু মাঙজৌননা ঙাকথোকপা, খঙদোকপা, অমসুং অপুন্বা আইন অমসুং নিয়ম চৎনহনবদা য়াম্না চাওনা মশীংদা আৱাৎপা লৈরে।

## ১৪. পুলিস ফোর্সতা নুপীশিং য়াওবরা?

হোয় য়াওই, মখোয়দি অপুন্বা পুলিস ফোর্সকি চাদা ৫ খক ওই। মহারাষ্ট্রানা ষ্টেট ময়ামগী মনুংদা পুলিস ফোর্সতা নুপী য়াওবা খ্বাইদগী হেনলি।


## ১৫. নুপী পুলিস ওফিসারশিংগী তোঙানবা মথৌশিং লৈবরা?

লৈতে, রুলস অমদি আইনগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা নুপী পুলিসনা নুপা পুলিসনা পাঙথোকপা মথৌশিং অদু চপ মান্ননা পাঙথোকই। অদুবু নুপীশিংগী পুলিস ষ্টেসনশিং খুদিংমক্তদি নুপীশিং খক্তা ওইনা থম্মী।



## ১৬. পুলিস ফোর্সতা অখন্নবা রিজার্বেসন নত্রগা ক্নোউতা লৈবরা?

হোয় মসি লৈ, ষ্টেট খুদিংদা শেড্যুল কাষ্টশিং (জানুৱারী ২০১৩ ফাওবদা অপুন্বা পুলিসকি ফোর্স মশীংগী চাদা ১০.৬৬ ওই) শেড্যুল ট্রাইবশিং (চাদা ৮.৬৩) অমসুং অদর বেকৱার্দ ক্লাসশিংবু খলন্নবা অখন্নবা ক্নোউতা লৈ। হায়রিবা কাঙলুপশিংদগী মীওই কয়াম রিক্রুইত তৌগনি হায়বগী মতাঙদা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট সরকারশিংগী মশা-মশাগী ওইবা নিয়ম লৈজে। তৌইগুমসুং, অপীকপা কাঙলুপশিং (মাইনোরিটিস) নত্রগা নুপীশিংগীদি অখন্নবা রিজার্বেসন লৈতে। খুদম ওইনা ইস্লামগী মীওইশিংনা অপুন্বা আই পি এস ওফিসারশিংগী চাদা ৪ অমসুং অপুন্বা কনষ্টেবলগী চাদা ৬ খক্তংমক ওই। [1]


দি জি পি

## ১৭. পুলিস ফোর্সতা দলিট, নুপী, ইস্লাম, খৃষ্টিয়ান, ত্রাইবেল অমসুং অতোপ্পশিং লৈবগী করি দরকার ওইবগে?

পুলিসকি ফোর্সতা ফজবা মওংদা নুপাশিং অমসুং নুপীশিং অমসুং ধর্ম্ম, ক্লাস, কাষ্ট অমসুং ত্রাইবকী মীওইশিং য়ানশিন্নবা য়াম্না মরু ওই। মসিনা খেন্নবা কাঙলুপশিংগী লমচৎ-শাজৎ, ৱাখল্লোন, মখোয়গী চৎনরোল-ফিজেৎ চাকচা (কলচর) খঙদোক্লহনবা হেঙ্গৎহল্লী অমসুং অচুম্বা খঙদ্রিঙৈদা লেপ্পা ৱারেপশিং হন্থহল্লী।


আই জি পি

## ১৮. মতৌ করম্না ঐহাক্না মী অমবু পুলিস ওফিসারনি অমসুং অতোপ্পা ওফিসিএলনি হায়না হায়বা ঙমগনি?

পুলিস ওফিসারশিংদি য়াম্না তোঙানবা খাক্কি নত্রগা অতিয়া মচুগী য়ুনিফোর্ম, লোয়ননা টুপী অমা, বেল্ত অমসুং মরেঙবান্দা মশাগী রেঙ্ক উৎপা অমসুং করম্বা ফোর্সতা মহাক লৈবগে য়াওবা লৈতেংশিং লৈজৈ। পুলিস ওফিসারনা মশাগী থবাক্তা মমিং মথা থাবা প্লেট অমসু উৎকদবনি।

## ১৯. পুলিসকী খেন্নবা ফমশিং অদু করি-করিনো?


দি ৱাই আই জি পি

কনষ্টেবলনা কৈরাক অসিদা খ্বাইদগী নেম্বা থাক্তা লৈ। মসিদগী ফম মথং-মথং কাখত্তুনা হেড কনষ্টেবল, এসিসটেন্ট সব-ইন্সপেক্টর (এ এস আই), সব-ইন্সপেক্টর (এস আই), ইন্সপেক্টর (আই পি), এসিসটেন্ট/দিপুটি সুপরিন্টেণ্ডেন্ট ওফ পুলিস (এ এস পি/দি ৱাই এস পি), এডিসনেল সুপরিন্টেণ্ডেন্ট ওফ পুলিস (এদিদিএল এস পি), সুপরিন্টেণ্ডেন্ট ওফ পুলিস (এস পি), সেনিয়র সুপরিন্টেণ্ডেন্ট ওফ পুলিস (এস এস পি), দিপুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি আই জি), ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (আই জি পি), এসিসটেন্ট ডাইরেক্টর ওফ পুলিস (এ দি জি) অমসুং অরোইবদা দি ডাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) ফাওবা লৈ।


এস এস পি

## ২০. বিট (ফুবা) কনষ্টেবল হায়বসি করিনো?

মহাক অসি নহাকপু ফুবা-চৈনবগীদমক (বিট) থম্বা কনষ্টেবল নত্তে ! মতৌ অসুম্না নহাক্না খঙজিনগদবদি পুলিসনা মতাঙ খরদা হায়বদি মী ফাবদা অথিংবা পীরকপা নত্রগা নাম্হোক্লবা হোৎনবা মতমদা খক নত্তনা পুলিস অমত্তা মীওই অমদা হেক্তা ফোর্স শীজিন্নবা য়াদে। বিট ওফিসার অমা ওইনা কৌবগী মরমদি মহাক্না করিগুম্বা মতমদা অতোপ্পা ওফিসার অমগা লোয়ননা কোয়না চত্তুনা করিগুম্বা পুন্নমক্তা ওর্ডর কায়ব্রা অমসুং চিংননিংঙাই লৈব্রা য়েংশিন্নবা মহাক্কী চাং নাইবা অকক্লবা মফম নত্রগা লম্বী অমা লৈ। অহিংদা কোয়না চত্তুনা অশোয়-অণ্ডাম থোকপ্রা য়েংবদা পুলিসনা মহাক মথৌ পাঙথোক্লি খঙননবা করিগুম্বদা মী কৌথোকই নত্রগা মখোয়গী চৈ (লাথীস) অদু লাউনা য়ৈ।

---

1 . সাচার কম্মিটি রিপোর্ট, নভেম্বর ২০০৬

## ২১. পুলিস ওফিসারশিং লোয়নমক অরৈবা মথৌশিং (দ্যূতিজ) লোয়না তৌবরা?

তৌদে, কনষ্টেবল অমগী থাক্তগী দিজিপি ফাওবা, পুলিস ওফিসার খুদিংমক্কী অখন্নবা মথৌ পী। হায়রিবা মথৌশিং অসি ষ্টেট খুদিংমক্কী পুলিস মেনুএলশিংদা চনলী। মখা-তাবা (জুনিয়র) ওফিসার অমনা মথক-থোংবা (সেনিয়র) ওফিসার অমগী পীরম্লিবা মথৌশিংদু পাঙথোকপা য়াদে। খুদম ওইনা, এস আই অমনা এস পি অমগী পীরিবা মথৌ তৌবা ঙমদে। তৌইগুমসুং, মখা-তাবা ওফিসার অমনা তৌবা ঙম্বা অমা হেক্তা সেনিয়র ওফিসার অমনসু তৌবা য়াই।

## ২২. ত্রাফিক পুলিস ওফিসার অমনা ত্রাফিক্কা মরী লৈনদবা কা হেনবা থৌদোকশিংগীদমক্তা ঐহাকপু ফাবা ঙম্বরা?

হোয় ঙম্মী, ত্রাফিক পুলিস অসি ত্রাফিক্কী মথৌ তৌবা ইচম-চম্বা পুলিস ওফিসার অমনি। করিগুম্বা মহাক্না নহাক্না ক্রাইম অমা হেক্তা তৌরম্বা থেংনরবদি অতোপ্পা পুলিস অমনা নত্রগা লন্নাই নাগরিক অমনা হেক্তা ঙম্বগুম মহাক্নসু নহাকপু ফাবা ঙম্মী।

## ২৩. সি আই দি হায়বসি করিনো?

সি আই দিগী অর্থদি ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন ডিপার্টমেন্ট হায়বনি। মসি করিগুম্বা মতমদা মরু ওইবা মশা (ষ্পিসিএল ব্রাঞ্চ) নত্রগা থি-হুম্বগী মশা (ইনভেষ্টেগেটিব ব্রাঞ্চ) হায়না কৌই। মখোয় ষ্টেট পুলিসকি থি-হুম্বগী এজেন্সিনি। মখোয়শিং অসি য়াম্না লুবা ক্রাইমশিং হায়বদি ফ্রাউদ, হুরানবা, গেঙ্গ কাঙবুগী লানশিং অমসুং ষ্টেটশিংগী মরক্তা চেন্নহনবা ঙম্বা ক্রাইমশিং থি-হুমজিন্নবা কৌখৎলী।



## ২৪. সি আই দি অসি পুলিসতগী খেন্নবরা?

খেন্নদে, সি আই দি পার্সোনেলশিং পুলিস ওফিসারশিং মখোয় মশেন মরক্তগী খনবনি।

## ২৫. কনানা পুলিস ফোর্সকি ইঞ্চার্জ ওই?

ষ্টেট অমমম্দা পুলিস পুন্নমক্কী চীফ অমা লৈগনি। মহাক অসি ডাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস নত্রগা অতেনবদা দি জি পি হায়না কৌই। মহাক অসি খ্বাইদগী ফম চাওবা মীওইনি। তৌবতবু দি জি পি ফাওবা গবর্ণমেন্টতা রিপোর্ট তৌবা দরকার ওই। মহাকপুসু য়াথং পীবা ঙম্বা মীওই অমখক লৈরি। মহাক অদুদি ষ্টেট নত্রগা সেন্টরদা হোম ডিপার্টমেন্ট পায়রিবা হোম মিনিষ্টরদুনি।

## ২৬. দি জি পিনা করিগীদমক্তা মিনিষ্টর অমদা রিপোর্ট তৌবগী দরকার তাবগে?

সরকার খুদিংমক্কী ঐখোয় অমমম্না শুকশোই-শোয়দনা অশোয়-অঙাম য়াওদনা খুদোংথীবদগী ঙাকশেন্নবিরী ফাওহননবা অমসুং ঐখোয় খুদিংমক্কী পুন্সিগী, ঈমুং-মনুংগী অৱা-নুংঙাই নত্রগা লন-থুমগী মতাঙদা অৱাবা ৱাখল পোকহন্দনবগী মথৌ অমা লৈরী। হায়রিবা মথৌ অসি সরকারনা পুলিসতা শীন্নৈ। মরম অদুনা মতৌ করম্না মখোয়গী থবক পাঙথোক্লি হায়বগী মতাঙদা পুলিসনা সরকারদা রিপোর্ট তৌবা দরকার তায়। মসিগী মহুত্তা সরকারনসু পুলিসশিংনা শুকশোই-শোয়দনা পুকচেল শেংনা, মীচং-মীখাই নাইদনা অমসুং মতীক চানা মথৌ ঙম্মী অমসুং মখোয়গী ফাওরকপা অমসুং অপাম্বগী মতুং ইনবা থাদোক্লগা আইনগী মতুং ইন্না খক্তং মখোয়গী মথৌ পাঙথোক্লি হায়না মীয়ামদা খঙহনবগী মথৌ অমা লৈ।



## ২৭. ঙাকপী শেনবীবগীদমক্তা কনানা মমল পী?

টেক্স থীবশিংনা ঐখোয়বু ঙাকপী শেনবগীদমক পুলিসতা মমল পী। তলবতি ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল সরকারগী বজেতগী ওইনা লাকই। তৌবতবু অৱোইবদদি হায়রিবা তলবশিং লোয়না টেক্স থীবশিংগী খাওদগী লাকই।

## ২৮. পুলিসনা কদায়দগী শেল ফংই?

ষ্টেট খুদিংগী পুলিসনা থবক পীবগীদমক্তা তোখায়না থম্বা বজেত অমা লৈ। পুলিসনা মসিগী বজেত অসিদগী শেল ফংই।

## ২৯. কনানা বজেতকী অয়াবা পী অমসুং মসি করিদনা খ্বাইদগী হেন্না থাদৈ?

বজেত অসি ষ্টেটকী লেজিসলেচরনা লেপ্পী। য়ুনিয়ন টেরিতোরিশিংগীদি বজেত অসি পর্লিয়ামেন্টনা অয়াবা পী। অহানবা ড্রাফট অসি এডমিনিষ্ট্রেটিব সেক্সনগী ডিজিনা শেম-শায়। ড্রাফট অসিগী অয়াবা লৌনবগীদমক্তা দি জি পিদা থায়। মসিদগীদি হোম দিপার্টমেন্ট য়ৌই। মদুদগী ফাইন্যেন্স মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পী অমসুং ষ্টেট বজেতকী শরূক ওইনা অয়াবা লৌননবা কেবিনেটতা থায় অমসুং মদুদগীদি ৱা তান্নবগীদমক্তা (দিস্কসন) লেজিসলেচর য়ৌই। ৱা তান্নরবা মতুংদা চহী অমগী পুলিসকি বজেত অসি অৱোইবা ওইনা য়ারে। পুলিসকিদমক্তা পীথরকপা শেনফম অসিগী খ্বাইদগী চাওবা শৰুক্তি তলব পীবদা ওইনা শীজিন্নৈ। অতোপ্পদা শীজিন্নখীবা হীরমশিং অদুদি ত্রেনীং, ইনভেষ্টিগেসন, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, য়ুম শাবা অসিনচিংবশিংনি।

## ৩০. পুলিসনা ফংলিবা শেনফম অসি মরম চানা শীজিন্নে হায়বসি ঐখোয়না মতৌ করম্না খঙগনি?

পুলিসকি চাদিংগী মতাঙদা কোম্পট্রোউলর এন্দ অউডিটর জেনরেল (সি এ জি) না চহী খুদিংগী পাঙথোকপা হিশাব অমা লৈ। হায়রিবা হিশাব অসি পার্লিয়ামেন্ট অমসুং ষ্টেট লেজিসলেচরশিংদা পীশিনলি। অমুকখক কুপ্না য়েংশিনখ্রবদি রিপোর্টশিং অসি করিগুম্বা মতমদা হোম/পুলিস দিপার্টমেন্টকি ৱেবসাইত নত্রগা পর্লিয়ামেন্টকি লায়ব্রেরীদা ফংই। নঙনা রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্ট শীজিন্নদুনা পুলিসকি চহীগী চাদিং হংবসু ঙমই। মরম অদুনা ঙাকশেনগী থবক অসি টেক্স থীবশিংগী শেল শীজিন্নরগা পাঙথোকপনিনা, অর্থদি নহাক্কী শেলনিনা, শেনফম অসি মফম চানা চাদিং তৌৱা হায়না য়াম্না পুক্নিং চংনা য়েংশিনগদবনি।

## ৩১. করম্বা আইনশিংনা পুলিসপু লাকশিনলি?

পুলিস এক্ট ১৮৬১ না ষ্টেট অয়াম্বদা পুলিসপু কা হেন্দোক্তুনা চত্তনবা লাকশিনলি। ষ্টেট খরদদি মখোয় মশাগী পুলিস এক্ট লৈজে তৌইগুমসুং পুলিস এক্ট লোইনমক তঙাইফদনা মথক্তা হায়রিবা এক্ট অসিগী মওং লৌই।



হন্দক্তা ষ্টেট খরদি মশাগী এক্টশিং হন্না য়েংশিনখ্রে অমসুং অনৌবা পুলিসকি আইনশিংসু শেমখ্রে। পুলিসনা থবক অমসুং মথৌ পাঙথোকপা মতমদা লাকশিন্নবা অতোপ্পা ক্রিমিনেল আইনশিংসু লৈরি। হায়রিবশিং অদুদি কোড ওফ ক্রিমিনেল প্রোসিদ্যুর (সি আর পি সি), ইন্দিয়ান পেনাল কোড (আই পি সি) অমসুং লোকেল আইনশিংনি।

## ৩২. হায়রিবা পুলিস এক্ট অসিনা করি হায়বগে?

এক্ট অসিনা পুলিসনা করি-করি তৌবা ঙমই নত্রগা ঙমদে; পুলিসকি ফোর্স করম্না ওর্গনাইজ তৌগনি; করি ফমশিং লৈগনি; কনানা ফোর্স য়েংশিনগনি; কনানা উননবা শীল্লাঙগনি; পুলিসনা অরানবা তৌরম্বগী করি-করম্না চৈরাক অমসুং লমচৎ-শাজৎকি এক্সন ফংবা য়াই হায়বগী মতাঙদা ৱা খন্নে। মসিদা মীয়াম্না ইনগদবা নিয়ম খরসু পল্লী।

## ৩৩. করিগীদমক পুলিস এক্ট মনুংদা মীয়াম্না তৌবা কা হেনবা থৌদোকশিং (ওফেন্সেস) চনলিবনো?

মসিগী কা হেনবা থৌদোক খরা অসি মীওই খুদিংনা শুকশোই-শোয়দনা লম্বী-শরকশিং অমসুং মীয়ামগী মফমশিংবু লুনা- নান্না, খুদোংথীনিংঙাই ওইহন্দনা, অশোয়-অঙাম অমদি লায়না-তিন্না য়াওহন্দনা থম্নবগীদমক্তা চনহনবনি।

খুদম ওইনা লম্বীদা শা-শনশিং থাদোক্তুনা কোয়চৎ চৎহনলবা, হাৎলবা, নত্রগা য়াম্না তাথি তাওইনা তৌরম্লবা মীওই অমবু পুলিসনা য়াম্না থুনা খুদক্তা ফাবা ঙমই। কনাগুম্বা মীওইশিংনা লম্বী থীংজিনবা, মোৎশিনবা, অয়াবা য়াওদনা লম্বীদা য়োন্নবা পোৎ-চৈশিং থমজিনবা, লমচৎ ফজদ্রবা, য়ু ঙাওরবা নত্রগা য়ৈখাই-থুগাইরবা, নত্রগা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা মফমশিং গুহাগুম্ববু সম্বল খাদুনা শুকশোই-শোয়দনা ঙাকশেন তৌগদবদু থওইদ্রবা, মদু ওইরবদি পুলিসনা খুদক্তা মখোয়বুসু ফাবা ঙম্মী।

আইনবু শৌগৎলি



## ৩৪. ‘রুল ওফ লো’ না করি হায়বগে?

মসিগী অর্থদি লৈবাক অসিগী মীওই পুন্নমক, অৱাং-অনেম, ইনাক খুনবা-লাইরবা, নুপী-নুপা, সরকার অমদি পব্লিক্কী থবক তৌবশিং পুলিস ফাওবা য়াওরগা ঐখোয়গী সম্বিধানগী মখাদা শেমখীবা আইন ইনগদবনি অমসুং আইনশিং অসিগী মতুং ইন্না হিংগদবনি হায়বনি। কনাগুম্বা মীওই অমত্তা আইনগী মথক্তা লৈতে। মসিনসু হায়রি মদুদি পুলিসনা থবক খুদিংমক আইনগী মতুং ইন্না চৎথগদবনি করিগুম্বা নত্রবদি পুলিসনা আইনগী মমাঙদা দায়ী ওইগনি। মসিমসু হায়রি মদুদি শেম্লীবা আইনশিং অসি মরম চাবা, ৱায়েন-বিচার চুম্বা ওইগদবনি অমসুং ঐখোয় লোয়নমক্তা মীচং-মীখাই নাইদনা শীজিন্নগদবনি।

## ৩৫. অরানবা তৌরম্লবা পুলিস ওফিসার অমবু দন্দি পীবা ঙম্বরা?

হোয়, দন্দি পীবা ঙমই। আইন থুগায়রম্লবা পুলিস ওফিসার অমসু হেক মীওই অতোপ্পা অমগুম দন্দি পীবা য়াই। তশেংনা হায়রগদি মহাক্তি আইনবু চৎনহন্নবা থাজদুনা থম্বা মীওই অমা ওইবনা মরম ওইদুনা আইন থুগায়বগীদমক মহাকপু হেন্না দন্দি পীফম থোকই। অরানবা তৌরম্বা পুলিস ওফিসার অমবু দন্দি পীননবা মওং ময়াম অমা লৈ। করিগুম্বা মহাক্না ক্রাইম অমা তৌরম্লবদি মহাকপু কোর্টকি মমাঙদা পুরকপা ঙমই অমসুং অতোপ্পা মী অমগুম মহাকপু ৱায়েন-বিচার তৌগনি। করিগুম্বা মহাক্না খোল ৱাঙবা, বেভার কায়রম্লবা নত্রগা তৌগদবা মথৌ তৌদ্রবদি, মহাক্কী সেনিয়র ওফিসারশিংনা মহাকপু ৱার্নিং অমা পীদুনা, তলব ককথবা, ফম হন্থহনবা, থবক্তগী মতম খরা তান্থোকপা নত্রগা মহাকপু অতোপ্পা মফম অমদা থবক থাদোক্কুনা দন্দি পীবা ঙমই।



**৩৬. পুলিস ওফিসারশিংনা খুদোংথীবা থবক ময়াম অমা তৌরি। মখোয়দা অশি-অনা, অমাঙ-অতানচিংবা থোকপা মতমদা শেন-থুম পীদুনা ঙাকথোকচনবা পাম্বৈ লৈবরা?**

পুলিস ওফিসারশিংবু খুদোংথীবা নত্রগা অমাঙ-অতাদগী ঙাকথোক্নবা পাম্বৈ লৈ। পুলিসকি মীওই খুদিংমক মখোয় মশাগী গ্রুপ ইন্সুর‍্যান্স কোভর্দা পৈশা পী। মসি মখোয়গী তলবতগী লৌই। মথৌ তৌরিঙৈদা লৈখীদ্রবা কনাগুম্বা পুলিস ওফিসারশিংগী ঈমুং-মনুংদা ইক্স-গ্রেসিয়া ওইনসু চাউরাকপা অমা পী।

পুলিসনা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা মফমদা/অকোয়বদা থবক তৌই। মখোয় ময়াম অমদা অশি নত্রগা অনা থোকই। তশেংনা হন্দক্কি চহীদা পুলিস ওফিসার ৮০০ গী মথক্তা মথৌ পাঙথোকপা মতমদা হাৎখ্রে। মমাঙগী চহী তরাশিনা চহীগী চাংচৎতা ১০০০ ওইদুনা খ্বাইদগী ফত্তবা ওইখী। মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা শিখীবশিংদুগী মনুংদা কনষ্টেবলনা খ্বাইদগী য়ামই।

**৩৭. পুলিস ওফিসার অমবু ঐ ইশামক্কী সেক্যুরিটিগীদমক্তা ৱায়বা য়াবরা?**

অশেংবগীদি করিগুম্বা নঙোন্দা য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইনা কিহল্লকপা লৈরগদি মখোয়বু ৱায়বা য়াই। করিগুম্বা মতমদা ষ্টেটনা সেক্যুরিটি শিল্লি অদুবু অতোপ্পা মতমদনা মরী লৈনবা ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওরগা সেক্যুরিটিগীদমক মফম অমদা অহেনবা পুলিস থমনিংলবদি অকক্নবা মতম অদুগী অশিন- থৌরাঙগীদমক্তা নহাক্না অৱায়মল পীগনি। খুদম ওইনা, অচৌবা লুহোংবা অমগী নত্রগা লন্নাইগী থৌদোক্তা পুলিসনা মফম অদুদা নহাক্কী মমলদা অহেনবা খুৎ খরা পীগে হায়বা য়াই। তৌইগুমসুং, করিগুম্বা ক্রাইম থোক্কনবা মফম অমা ওইরবা নত্রগা মফম অদুদা মীয়ামগী থৌদোক অমা থোক্কুনা লৈরবদি, অহেনবা মীওই পীবা হায়বসি পুলিসকি মথৌ ওইগনি অমসুং মমল তিংবগী ৱাহং থোরক্লোয়।

পুলিস অমগী থবক
কৈদৌনুংদা তৌদে



### ৩৮. পুলিস ওফিসার অমনা মতম পুম্বদা মথৌদা লৈবরা?

হোয় লৈ। পুলিস এক্টনা পুলিস ওফিসার অমা মতম পুম্বা মথৌদা লৈ হায়না য়াম্না শেংনা ফোঙদোক্লি। তৌবতবু মসিনা মহাক কৈদৌনুংদা পোথবা য়ারোই হায়বদি নত্তে। মসিনা হায়বদি মহাক মফম অমদা হেক্তা লৈবা য়াই য়ুনিফোর্ম য়াওগেরা নত্রগা য়াওরোইরা আইনবু শৌগৎনবা নত্রগা মতেঙ অমগী কৌরকপা তারবদি মহাক্না দ্যুটিদা লৈতে হায়বা য়াদে।

### ৩৯. পুলিস ওফিসার অমনা মহাক্কী সেনিয়র নত্রগা কনাগুম্বা য়াথং পীবা ঙম্বা ডিষ্ট্রিক্ট কলেক্টর নত্রগা মিনিষ্টরগুম্বা মীওইনা পীবা য়াথংশিং লোয়নমক ইনগদবনি হায়বা লৈবরা?

পুলিস ওফিসার অমনা আইন কায়দবা য়াথং খক্তং ইনগদবনি। করিগুম্বা মহাকপু অরানবা থবক তৌনবগীদমক য়াথং পীরবা ফাওবদসু মদুগীদমক মহাক দায়ী ওইগনি। কনাগুম্বা ওথোরিটিদা লৈবা মীওইনা মহাকপু অরানবা অমসুং আইন কায়বা থবক খরা তৌননবা য়াথং পীবনি হায়রবসু মহাক্কী লমচৎকিদমক কৈদৌনুংদা ঙাকপীবা য়রোই।




মথৌ–মঙমগী
মথক্তা অমসুং
ৱাংমদা চৎথ্রবশিং

**৪০. পুলিসশিংবু মনীং-মখা তন্না শেল পীহন্দনা পব্লিক ত্রান্সপোর্টশিংদা তোংদুনা চৎপগী অয়াবা য়াওবরা নত্রগা কৈথেল ফম্বা মীওইশিংদগী মমল পীহন্দনা পোৎ-চৈ লৌবা য়াহনবরা?**

মফম খরদদি পুলিস ওফিসারশিংদা মখোয়না মথৌদা লৈবা মতমদা অপনবা পীদনা পব্লিক ত্রান্সপোর্টতা চৎপা য়াহল্লি। অদুম ওইনা মসি নত্তবা অতোপ্পগীদি পুলিস ওফিসার অমত্তা লেন্না চৎপগী অয়াবা লৈতে। মতৌ অদুন্না পুলিস অমনা মহাক পুলিস ওফিসার অমা হেক ওই হায়বগী মরম্না কৈথেলগী দুকান অমদগী পোৎ-চৈশিং লেন্না লৌবগী অয়াবা লৈতে। নাগরিক পুম্নমক্কুম মহাক্সু মহাক্কী পোৎ-চৈশিং লৈবগী মমল পীগদবনি।

**৪১. ঐহাক্না পুলিস ওফিসারনা পীবা য়াথং খুদিংমক তাবগী মথৌ তাবরা?**

করিগুম্বা পুলসকি মথৌশিংগা মরী লৈনবা আইনগী য়াথং অমা ওইরবদি পুলিস ওফিসারনা পীবা য়াথং খুদিংমক তাবগী মথৌ তায়। তশেংনা মীওই খুদিংনা পুলিস ওফিসার অমগী মথৌ তৌবদা মতেঙ পাংনবগী মথৌ অমা লৈ, মরু ওইনা করিগুম্বা ওফিসার অদুনা মী খৎনরম্বা খামতোক্লবা হোৎনরবা নত্রগা ক্রাইম অমবু মাঙজৌননা ঙাকথোক্লবা নত্রগা কনাগুম্বা মীওই অমনা মহাক্কী কষ্টদিদগী নন্থোক্লবা হোৎনরম্লবদি। অচুম্বগীদি, করিগুম্বা নহাক্না ক্রাইম অমগী মতাঙদা ঈ-পাউ লৈরবদি মদু নহাক্না পুলিসতা পীবা হায়বসি নহাক্কী নথৌনি। কনাগুম্বা লাউথোক্কুনা খঙহনলবা আইন থুগায়বা মীওই অমবু লৈফম নত্রগা চঙজফম পীদবা হায়বসিসু নহাক্কী নথৌ অমনি। করিগুম্বা নঙনা থৌদোক অমা খঙবা নত্রগা উরুবা থোক্লবদি আইনগী লোয়শঙ অমগী মমাঙদা নহাক্না প্রমান পীনবগী মথৌ অমসু লৈ।



## ৪২. করিগুম্বা পুলিস ওফিসার অমনা মহাক্কা লোয়ননা মফম খরদা চৎশি হায়না ঐঙোন্দা হংলবদি মদু ঐনা চৎকদ্রা?

চৎলোই। তৌইগুমসুং, করিগুম্বা পুলিস ওফিসারদুনা মথৌগী শরুক ওইনা খুদমদি মী অমা ফাবা, লন-থুম খুদুম চনশিনবা নত্রগা ক্রাইমগী মফম অমা য়েংশিনবদা নহাক্না সাক্ষি ওইবিনবা মহাক্কা লোয়ননা লাকউ হায়রবদি নত্রগা হংলবদি নহাক্না চৎমিন্নগদবনি অমসুং মতেঙ পাংগদবনি। মদু অহল্লম্মনগী হাক্তক্তগী 'পানচা' অমা ওইবা কৌই- মহাক অসি মীকুপ অদুদা মহাক্না করি উবগে হায়বদু আইনগী লোয়শঙদা মনীং-মখা তম্না হায়বা ঙম্বা মীওই অমনি।

## ৪৩. পুলিস ওফিসার অমনা পুলিস ষ্টেসন্দা লাক্লবা ঐবু হংলবদি ঐনা চৎকদ্রা?

চৎলোই, পুলিসকা থবক তৌমিন্নবা হায়বসি অফবনি অদুবু পুলিস ওফিসারনা নহাকপু হৌনা চৎনবীগী মতুং ইন্না ফাবা নত্রবদি ষ্টেসন্দা চৎপগী দরকার ওইদে। অদু নত্রবদি করিগুম্বা নহাকপু ৱাহং-পাউহংবা হেক্তা পাম্লবা নত্রগা ক্রাইম অমগী মতাঙদা থি-হুমজিনবা তৌনিংলবদি মহাক্না ইথোক্লগা কৌখৎলক্কনি। মদু তৌদ্রি ফাওবদি নহাকপু নম্ফুদা ষ্টেসন্দা চৎহনবা ঙমদে। করিগুম্বা নুপী অমগা মরী লৈনরবা, নত্রগা চহী ১৫ মখাগী অঙাং চেন্নরবা পুলিসনা মখোয় অদো মখোয় মশাগী য়ুমশিংদা খক্তং ৱাহংবা ঙমই।



## ৪৪. পুলিস ওফিসারনা হংবা ৱাহং লোয়নমক্কী পাউখুম পীবা ঐনা মথৌ তাবরা?

মসি ঐগী ইথৌ ওই, মতম চুপ্পদা ৱাহংশিংগী পাউখুম থম্মোয় শেংনা ইচম-চম্বা মওং অমদা পীবনা হেন্না ফৈ অমসুং নহাক্না খঙবা হেক অশেংবশিং পুলিসতা পাউ তমগদবনি। করিগুম্বা নহাক্না করিগুম্বা পোশক খরা খঙদ্রবা, মদু ওইরগদি মহাক্না নহাকপু নম্ফুদা ৱারোল অমা হেক্তা নত্রগা শাশিন্নবা ৱাহৈশিং নমদুনা চীনথক্তা থমজিনবা য়ারোই। নহাকপু ৱা হংলিঙৈ মতমদা মীওই অতোপ্পা অমা শোয়দনা নঙনা লৈমিন্নবনা মতম চুপ্পদা হেন্না ফৈ।




## ৪৫. ঐহাক্না অৱাবা তারবা মতমদা পুলিস ওফিসারনা ঐবু মতেঙ পাংবগী মথৌ অমা লৈবরা?

হোয় লৈ, কুমজা ১৯৮৫ দা পুলিসনা নিয়ম কায়দনা থবক পাঙথোক্লবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়র্সনা ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী চীফ সেক্রেটারিশিং পুন্নমক্তা অমসুং সেন্ট্রেল পুলিস ওর্গনাইজেসনশিংগী মকোকশিংগা ৱারী শান্নদুনা লমজিং-লমতাকপশিং চৎনহন্নবা ফোঙদোকই। মসিনা পুলিসপু শেন-থুম অমসুং সমাজগী অনেম-অৱাং য়েংদনা মীওই খুদিংমক্তা মতেঙ অমা হেক্তা পীবগী দরকার ওইহল্লি। নিয়ম অসিগী মতুং ইন্না অকিবা নত্রগা মীচং-মীখাই নাইদনা ময়াম পুন্নমক্তা ঙাকশেন পীবা হায়বা মখোয় মশাগী চাউরাকপা মথৌদা প্রজাবু অফ-নুংঙাইনা থম্বগী ৱাখল্লোন, মীনুংশি চেনবীবা অমসুং মখোয়গী খনবীবা, লন্নাইগী থবকশিং পীবীবা অমসুং মরুপ-মপাং ওইবীবগী শেম-শাবা য়াওরি।

## ৪৬. ঈমুং-মনুংগী প্রোব্লেমদা ঐবু মতেঙ পাংবিয়ু হায়না পুলিসতা ঐনা হংবা ঙম্বরা?

ঈমুং-মনুংগী প্রোব্লেমদা মতেঙ পাংবা হায়বসি ৱাথোক অদুগী মখা পোল্লি। করিগুম্বা থোক্লিবা থৌদোক অদু ক্রাইম অমা খুদম ওইনা ঈমুং-মনুংগী হিংসা, নুপীবু য়াম্না থীনা ফুবা নত্রগা অঙাংবু তাথিনা তৌবা, ঈমুং-মনুংগী মীওইশিংগী মরক্তা নত্তবা মরী লৈনবা, নত্রগা মীগী পোৎ নত্রগা হক্তা খুৎ থিংজিনবনচিংবা ওইরবদি পুলিসনা তশেংনা নহাক্কী মতেঙ পাংগদবনি অমসুং নহাকপু ইন্থোকপা ঙমদে অমসুং মসি লন্নাইগী ওইবা থৌদোক অমনি হায়বা য়ারোই। অদুবু করিগুম্বা মপুং মরৈ ফারবা অঙাংশিংনা হায়বা ইন্দনা, চন্না হায়রবদা মখোয়না য়ুমদগী চেনখ্রগা লুহোংবা, মদু ওইরগদি মখোয়গী মতুংদা তান্নদুনা নত্রগা মখোয়বু নম-হাদুনা হলকহনবা পুলিসকি মথৌ ওইদে মদু শেংনা ঈমুং-মনুংগী ৱাফম অমনি।

## ৪৭. করিগুম্বা পুলিস ওফিসার অমনা মতেঙ পাংলোয়দবা ওইরগদি নত্রগা অকোয়বদা পুলিস ওফিসার লৈতবা থোক্লবদি, মীয়াম্না হুরানবা অমা নত্রগা অরানবা তৌরম্বা মীওইবু ফাবা অমসুং মফমদুদা অমসুং মতুংদা দন্দি পীবা ঙম্বরা?

য়াই অমসুং য়াদে। “সিটিজন্স অরেষ্ট” (নাগরিক্না ফাবা) হায়না কৌবা অমা তৌবা ঙমই অমসুং অরানবা তৌবা মীওইদু ফারবা মতুংদা খ্বাইদগী নকপা পুলিস ষ্টেসন্দা পুবীগদবনি। মদুখক্তনি মীয়াম্না তৌবা ঙমবসি। তৌবতবু নহাক্না অরানবা তৌবা মীওইদু ফুবা ঙমদে নত্রগা মদু তৌরম্বা মীয়ামগা খুৎ শন্নবা য়াদে। পব্লিক্কী মেম্বর খুদিংগী রাইট টু প্রাইভেট ডিফেন্স নত্রগা সেলফ ডিফেন্স কৌবা হক অমখক্তং

মখোয় মশাবু মশানা ঙাকথোকচন্নবগী লৈজে। তৌবতবু মদুসু মরম চানা শীজিন্নগদবনি অমসুং ওঙ্গিন্দুনা নাকল নাম্মতগী ওইনা ফুবা নত্রগা তমথীনা ঈকাইবা পীবা য়াদে। কনাগুম্বা পুলিস ওফিসার অমা অসিগুম্বা তাথি-তাওইনা তৌবদা অয়াবা পীরবা, নত্রগা অসিগুম্বা ফুব-চৈবা অমদা য়াওরবদি মহাক লমচৎ শাজৎকি নত্রগা ক্রিমিনেলগী চার্জশিং মাইয়োক্লরবা য়াই।

## ৪৮. করিগুম্বা পুলিস ওফিসারনা ঐবু মতেঙ পাংদ্রবদি ঐনা করি তৌবা য়াই?

মশানা য়ানা নিয়ম থুগায়বা নত্রগা দ্যুটি থওইদবা পুলিস ওফিসার অমা জেলদা ফাদোক পীদুনা চৈরাক পীবা য়াই। করিগুম্বা পুলিস ওফিসারনা মতেঙ পাংদ্রবা অমসুং নহাকপু অমাঙ অতা থোকহনলবা, মদু ওইরবদি নহাক্না মসিগী মতাঙদা মহাক্কী সেনিয়রদা ৱাকৎপা ঙমই। অসিগুম্বা থৌদোক্তা মথৌদা থওইদবগী মহাক লানলে হায়বা য়ারে।

## ৪৯. পুলিসনা মখোয়না পাম্বা হেক্তা তৌবা ঙম্বরা?

য়াদে। মখোয়না আইন্না য়াবসি করিনো হায়বা খক্তং তৌবা ঙমই। তশেংনা মখোয় ময়াম অসি নিয়ম ময়াম্না য়াম্না চেকশিন্না হেন্দোক্তনবা ঙাক শেন্দুনা থমই। মখোয়শিংদা মখোয় মশাগী নিয়ম্না য়ারবশিং, ক্রিমিনেল কোডশিংনা ইদুনা থম্লবা নিয়মশিং, সুপ্রিম কোর্টনা পীবা য়াথংশিং অমসুং হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনশিংগী লমজিং-লমতাকপশিং মনুং চনলি।




## ৫০. তৌবতবু পুলিস ওফিসারশিংনা মখোয়শিং অসি ইন্দ্রে হায়না ভাবনা খল্লদি?

ৱাফম অদু কয়ামুক লুবগে হায়বগী মতুং ইন্না নহাক্না মহাক্কী সেনিয়র ওফিসারদা নত্রগা মাজিষ্ট্রেটতা ৱাকৎপা ঙমই। মসি মতম পুম্বদা ইথোক্লগা ৱাকৎপা অমসুং মদু ফংলে খঙবা চেরোন (রসিদ) অমা লৌবনা হেন্না ফৈ।

## ৫১. ঐনা করি মরমগী ৱাকৎপা ঙম্বগে?

পুলিস ওফিসার অমনা অরানবা থবক অমা হেক্তা তৌবগী নহাক্না ৱাকৎপা ঙম্মী মরমদি মহাক পব্লিক সার্বেন্ট অমনি মতম পুন্নমক্তা মথৌ তৌদুনা লৈগদবনি। মহাক্না মথৌ থওইদবা নত্রগা মথৌ থেংথনা তৌবা ঙমদে।

## ৫২. অদুবু পুলিস ওফিসারনা খোন ৱাউরবা অমসুং ঐবু ঈকাইবা নংহনলে হায়না ভাবনা শারগদি?

অমুকসু হন্না, করিগুম্বা মথৌ নত্রগা লমচৎ কায়বগী ৱাফম অমা ওইরবদি নহাক্না মহাক্কী সেনিয়রদা ৱাকৎপা ঙম্মী। তৌবতবু, করিগুম্বা মদুদগী হেন্না লুবা ওইরবদি নত্রগা ক্রাইম অমগা মান্নরবা, নহাক্না মহাক্কী মায়োক্তা পুলিস ষ্টেসন অমদা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎপা (ফাইল) ঙম্মী নত্রগা লোকেল জুদিসিএল মাজিষ্ট্রেটতা চুম্না চৎলগা ৱাকৎচে অমা থাঙ্গৎপা য়াই।

## ৫৩. অদুবু করিগুম্বা ঐনা লোকেল পুলিস ষ্টেসন্দা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎপদা মখোয় মশাগী ওফিসারগী মায়োক্তা মখোয়না ৱাকৎ অদুবু লৌ হায়বা য়াগদবা মান্দে?

হোয়, মদু য়াম্না তোইনা থোক্কনলি। অদুবু মসিনা অরোইবা ৱাফম ওইগনি হায়বগী দরকার ওইদে। খোন ৱাউবগী/লৈবাক মচা তাদবা লমচৎ-শাজৎকি, মথৌদা থওইদবগী নত্রগা পুলিসকি পৱারবু লান্না শীজিন্নবগীদমক নহাক্না পুলিসকি চীফতা ৱাকৎ থাঙ্গৎপা ঙম্মী। করিগুম্বা মসিনা ক্রাইম অমগা মান্নরবা নহাক্না মসি খ্বাইদগী নকপা মাজিষ্ট্রেট অমদা পুবা য়াই।

## ৫৪. তৌবতবু মসি কৌর্টতা পুখৎপদা য়াম্না লুই অমসুং মসি মতমসু য়াম্না শাংনা লৌই?

পুলিসকি মায়োক্তা ৱাকৎপা পুরকপদা লায়ননবা ষ্টেট খরদদি পুলিস কমপ্লেন্টস ওথোরিটি অমা লিংখৎখ্রে। মখোয়শিং অসি মীয়াম্না পুলিসকি মরমদা ৱাকৎলকপশিং খক্তা য়েংশিন্নবা থম্বা অখন্নবা বোদিশিংনি। মসিগী মথক্তা কনাগুম্বা মীওইনা পুলিসকি মায়োক্তা ৱাকৎ অমা লৈরবদি মদু নেসনেল অমসুং ষ্টেটশিংগী থক্তা লিংখৎখ্রবা অতোপ্পা কম্মিসনশিং ময়ামদা পুখৎপা য়াই। মসিদা মখাদা পীরিবশিং য়াওই: নেসনেল রাইটস কম্মিসন; অমসুং ষ্টেট হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্স; শেড্যুল ত্রাইবস এন্দ শেড্যুল কাষ্টসেস কম্মিসন্স; নেসনেল কম্মিসন ফোর ৱিমেন অমসুং মসিগা মান্নবা ষ্টেট কম্মিসন্স, অমসুং কম্মিসন ফোর চিলড্রেন। শেনজা-থুমজা চাবগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংগীদি সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন, সেন্ট্রেল ভিজিলেন্স কম্মিসন, লোক অয়ুক্তাস অমসুং ষ্টেট ভিজিলেন্স দিপার্টমেন্টসশিং লৈরি। হায়রিবা কম্মিসনশিংনা নহাক্কী ৱাকৎ অদু য়েংশিনগনি, অদুগা থি-হুম্বা চখ্তগনি অমসুং মখোয়গী পৱারশিংগী মতুং ইন্না পুলিসমেনগী মায়োক্তা এফ আই আর অমা চলনবা (রেজিষ্টর) মায়কৈ তাক্লক্কনি নত্রগা অৱাবা তাহনবীরবা মীওইদা ক্ষতি পূরণ পীননবা য়াথং পীরক্কনি।


## ৫৫. ঐনা পুলিসতা ক্রাইম অমগী মতাঙদা হায়নিংঙী হায়না ভাবনা তৌরশি, মদু ওইরগদি ঐহাক্না করি তৌগদগে?

করিগুম্বা মসি য়াম্না লুবা ক্রাইম অমা হায়বদি হুরানবা, য়ুম থুগায়রম্বা, মী লক্লবা, মী ফুনবা হৌরম্বা, অঙাং অমবু মোলেষ্ট তৌবা, ইজ্জৎ-মাঙহনলম্বা, নম-হাদুনা মী ফাবা, ত্রাফিক্কীং, অমসুং ঈৱাং শাগৎলম্বা গুম্বা ওইরবদি নহাক্না খুদক্তা এফ আই আর অমা লোকেল পুলিস ষ্টেসনগী হেডকা হকথেংননা চলহনবা ঙম্মী অমসুং মখোয়না মদু ইশিন্দুনা লৌফম থোকই অমসুং মদুগী চপমান্নবা কোপি অমা পীগনি। নহাক্না মাজিষ্ট্রেট ফাওবা য়ৌনা ৱাকৎ অদুগা চৎপা ঙম্মী অমসুং মহাক্না মদু চলহনগনি।

## ৫৬. এফ আই আর অমা হায়বসি করিনো?

মসি ফার্ষ্ট ইনফোর্মেসন রিপোর্ট হায়বগী অতেনবা খক্তনি। অৱা-অনা তাহনবীরবা মীওই অমা, সাক্ষি ওইগদবা মীওই নত্রগা কনাগুম্বা 'কোগ্নিসেএবল' ওফেন্সকি মতাঙদা খঙবা মীওই অতোপ্পা অমা হেক্তনা এফ আই আর চলহনবা ঙম্মী। নহাক্না এফ আই আরদা হায়রিবদুদগী থবক চথবা হৌগনি অমসুং অচুম্বশিং খোমজিন্দুনা করিগুম্বা কেস অমা ওইবা য়াব্রা হায়না য়েংশিনগনি।






**৫৭. ঐনা লোকেল পুলিস ষ্টেসন্দা খক্তং চৎপগী মথৌ তাবরা নত্রগা এফ আই আর অদু পুলিস ষ্টেসন অমদা হেক্তা চলহনবা য়াবরা?**

নহাক্না এফ আই আর অমা পুলিস ষ্টেসন অমদা হেক্তা চলহনবা য়াই। তৌবতবু ক্রাইম থোক্লিবা মফম অদু করম্বা পুলিস ষ্টেসন্দা আইন্না পীবা শক্তি শীজিন্নবগী হক লৈ হায়বা অদুদা চৎপনা হেন্না ফৈ মরমদি মখোয়না হেন্না থুনা থবক লৌখৎপা ঙম্মী। করিগুম্বা নহাক্না হেক অতোপ্পা পুলিস ষ্টেসন্দা ফাইল তৌরবদি পুলিসশিংনা ৱাকৎ অদুগী এন্ট্রি অমা শেম্বা মথৌ ওই অমসুং মসি মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসন্দা অমুক থায়। অদুবু ক্রাইম অদু মখোয়গী শক্তি শীজিন্নবগী হক লৈবা মফমগী ৱাংমদা থোকই হায়দুনা মখোয়না নহাক্কী এফ আই আর অদু ইন্থোকপা ঙমদে।

**৫৮. পুলিসনা ঐগী ৱাকৎ অমা চলহন্দবা/থাঙ্গৎহন্দবা ঙম্বরা?**

ঙমই নত্রগা ঙমদে। ইন্দিয়াদা ক্রাইমশিং অসি কোগ্নিসিএবল ওইবা মখোয়শিং অমসুং 'নন্-কোগ্নিসিএবল' ওইবশিং হায়দুনা খায়দোকই। কোগ্নিসিএবল ক্রাইম অমগী খুদমশিংদা মী হাৎপা, ইজ্জৎ-মাঙহনবা, সরকারগী মায়োক্তা ঈরাং হৌবা, অমসুং লুট-তৌবা ডাকুশিং য়াওরি।

মখোয়শিং অসি পুলিসনা হকথেংননা নোটিস তৌবা ঙম্বা, এফ আই আর অমা চলহনবা য়াবা অমসুং থি-হুম্বা হৌবা ঙম্বা কা হেনবা থবকশিংনি। নন্-কোগ্নিসিএবল ক্রাইম অমগী খুদমশিংদা য়াওবশিং অদুদি হুরানবা, নমথাক তৌবা (ফ্রোওড), মীনম্বা তৌরম্বা, নুপী-অনী লোনবা অমসুং মীয়ামদা শাউনীংবা অমা পোকহনবশিংনি। মখোয়শিং অসিদি করিগুম্বা মাজিষ্ট্রেট অমনা ৱাকৎ অদু রেকোর্ড তৌরবা খক্তংদা থি-হুম্বা হৌবা অমসুং মদুগী মতুংদা পুলিসতা থি-হুম্বা হৌনবা খঙহনবা থৌদোকশিংনি। মসিগী চাউরাক্না খায়দোকপা অসি খঙননবা মওংদি মসিনি মদুদি য়াম্না থুনা পাউখুম দরকার ওইবা ক্রাইমগীদি পুলিসতা হকথেংননা ৱাকৎপা য়াই অমসুং অতোপ্পশিংনা মাজিষ্ট্রেটতা চৎকনি। মতৌ অসুম্না, পুলিসনা নহাক্কী ৱাকৎ অদু করিগুম্বা ওন-বোর্ডতা লৌবা ঙমদ্রফাওবসু মখোয়না তঙাইফদনা নহাকপু তাবিগদবনি, নহাক্কী ৱাফম অদু নুংতিগী ইবা দ্যাইরিদা চঙহনগদবনি, লেপ্না শেল তিংদনা চঙননবগীদমক্তা সাহি তৌরবা কোপি অমসু পীগদবনি অমসুং নহাকপু মাজিষ্ট্রেটতা মদু পুদুনা চৎনবা খঙহনলক্কদবনি।

**৫৯. ঐগী ৱাকৎ অসি 'কোগ্নিসিএবল' ওফেন্স অমগী মতাঙদনি হায়না ভাবনা শারশি তৌবতবু মদু চলহনবদগী ষ্টেসন হাউস ওফিসারনা ইন্থোরক্লে। মদু ওইরগদি ঐনা করি তৌবা ঙমগনি?**

নহাক্না ৱাকৎ অদু সেনিয়র ওফিসার অমদা, হেদ ওফ ডিষ্ট্রিক্ট পুলিস নত্রগা খ্বাইদগী নকপা জুডিসিএল মাজিষ্ট্রেটতা পুদুনা হৌজিক ফাওবা চলহনবা ঙম্মী অমসুং মখোয়না মসি চলহন্নবা য়াথং পীরক্কনি। শুকশোই-শোয়দনা নহাক্কী ৱাকৎ অদু রেকোর্ড তৌননবা অমসুং মতুং তাবা থবকশিং পাঙথোক্নবা ৱাকৎ অদু নখুৎমক্না পীগদবনি নত্রগা করিগুম্বা পোষ্টতা থারবসু এ ডি হায়না রেজিষ্টর তৌগদবনি। থৌদোক অমবু হেক্তা ওইসনু ৱাকৎ অদুবু ফংলে হায়না প্রমান তৌবা রসিদ অমা মতম পুম্বদা লৌগদবনি অমসুং মদু চেকশিন্না থমগদবনি। মদুনা ৱাকৎ অদু মরী লৈনবা ওফিসারনা তশেংনা ফংলে হায়বা উৎকনি। নহাক্না অহানবা মফমদা থৌদোক অদুগী রেজিষ্টর তৌবদা মায়োক্নখিবা অৱাবা অদুগী মতাঙদসু ৱাকৎকদবনি। মদুগী মওংদা তৌরবদি ওফিসার অদুনা অমুক হন্না তৌবদগী হন্থহনবা য়াই।

**৬০. এফ আই আর অমদা করি পুন্নমক ইবা দরকার ওইবগে?**

এফ আই আর হায়বসি নঙনা খঙবা অশেংবশিং অমসুং নঙোন্দা তম্লকপা অশেংবশিং অদুগী মতাঙদা নহাক্কী ওইবা ৱাহন্থোকনি। অচুম্বশিংদো হকথেংননা থেংনবনা মতম চুপ্পদা হেন্না ফৈ অদুবু নশামক্না থৌদোকশিংদু য়েংশিনগদবনি/উগদবনি হায়বদি দরকার ওইদে। মসি অমবু হেক্তা ওইরে, নহাক্না অচুম্বা ঈ-পাউ খক্তং পীগদবনি। কৈদৌনুংদসু অচুম্বশিং হেন্না শেমজিন শাজিনলোইদবনি, নত্রগা ভাবনা শাগৎপা অমদি ওইরক্কদবা মওংশিংসু শাগৎলোইদবনি।

মফম, তাং অমসুং থোকপগী মতম পীয়ু। চেকশিন্না মচা তানা য়াওরম্বা মীওই খুদিংগী রোল: মখোয় কদায়দা লৈরম্মী, মখোয় করি তৌরম্মী, মথং-মনাও কায়দনা মীওই অমমম্না করি তৌরম্বা, অশোকপা হেক মখল নত্রগা লন-থুমদা অমাঙ-আতা থোকহনখীবশিং পুন্নমক ইগদবনি। চেন্নরম্বা খুলায় মখলশিং পনবা কাওথোকপা য়াদে। হায়রিবা অচুম্বশিং অমসুং ফীভমশিং ময়ামশে য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা রেকোর্ড তৌশিনবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। করিগুম্বা ৱাকৎ অমা রেকোর্ড তৌবদা খরা থেংথ্রবদি, শুকশোই-শোয়দনা থেংবগী মরম অদুসু ইশিন্দুনা থমগদবনি।

## ৬১. মতৌ করন্না ঐনা তম্বা ময়ামদো পুলিসনা মরীক চুন্না ইশিন্দুনা থমলে হায়বসি শুকশোই-শোয়দনা খঙবা ঙমগনি?

নীংশিংগদবদি এফ আই আর হায়বসি নঙনা খঙবা অদুগী নহাক্কী ৱাহন্থোকনি। মসি হেক্তা পোশক অমগী পুলিসকি ৱাহন্থোক নত্তে। পুলিসশিং অদুদি য়াম্না কুপ্না করিগুম্বা হেক অমতা হেন্না হাপচিন্দনা নত্রগা লৌথোক্তনা ইশিন্নবা খক্তং লৈবনি। মসিবু শুকশোই-শোয়দনা তৌনবা, আইন্না তশেংনা পুলিস ওফিসারনা এফ আই আর অদু নহাক্কী মমাঙদা পাথোকপা দরকার ওইহল্লি অমসুং করি ইশিনলবনো হায়বদু নহাক্না য়ারবা খক্তংদা নঙনা মদু সাহি তৌগনি। পুলিসনসু নঙোন্দা অশেংবা কোপি অমা লেন্না পীগদবনি। এফ আই আর অসি এফ আই আর রেজিষ্টারদা রেকোর্ড তৌশিনলবা মতুং কোপি অমনা সেনিয়রদা য়ৌই অমসুং অমনা মাজিষ্ট্রেটতা য়ৌই।

## ৬২. নুপীশিংগী এফ আই আরশিং রেকোর্ডিং তৌনবগীদমক্তা অখন্নবা নিয়মশিং লৈবরা?


হোয় লৈ, থৌদোক খরদা। নুপী অমনা পুলিস ষ্টেসন্দা চৎলগা এফ আই আর অমা চলহনবা অরায়বা নত্তে খঙবদুনা আইন্না করিগুম্বা মতমদা নুপী অমনা ইজ্জৎ-মাঙহনলম্বগী, ফত্তবা খুৎকন-পাঙ্গলবা কাঙবুনা ইজ্জৎ-মাঙহনলম্বগী, মশাবু উহন্দনা লোত্তনা তান্নবগী, অরোন-অথুপ্তা পাদোংনবা উরগা পেঞ্জবা মীওইশিংগী, সেক্সকিদমক্তা কা হেন্না খুদোংচাবা লৌনবগী, নুপীগী নোল্লুকপা লমচৎ-শাজৎপু শীংনবগী অপাম্বা অমদি এসিদ এতেক্ট অমগী মতাঙদা ৱাকৎ অমা তৌরক্লবদি মহাক্কী এফ আই আর অদু নুপী পুলিস অমা খক্তংনা নত্রগা হেক অতোপ্পা নুপী ওফিসারনা রেজিষ্টর তৌগদবনি হায়না হৌজিক্তি দরকার ওইহনলে। করিগুম্বা অৱাবা তাহনবীরবা নুপী অদু ৱাখল অমসুং হকচাং শোনবা ওইরবদি, মহাক্কী ৱাকৎ অদু রেকোর্ড তৌননবা পুলিস ষ্টেসন্দা ফাওবা চত্তবা য়াই।

মদুগী মহুত্তা পুলিসনা মহাক্কী ময়ুমদা নত্রগা মহাক্না খনবা হেক মফমদা ৱাকৎ অদু রেকোর্ড তৌনবা চৎকনি। পুলিসনসু অখন্নবা এডুকেটর নত্রগা কাউন্সেলর অমা নুপীদুগী দরকারগী মতুং ইন্না শিন-লাংগদবনি। অসিগুম্বা নুপী অমগী ৱারোল অদু ভিডিওসু নমদুনা থমগদবনি।


## ৬৩. করিগুম্বা পুলিস ওফিসারনা অসিগুম্বা এফ আই আর অমা চলহন্দ্রবদি করি থোকপা য়াবগে?

কনাগুম্বা পুলিস ওফিসারনা নুপী অমনা হেক সেক্সুএল ওফেন্সেকি ৱাকৎপা এফ আই আর অমা চলহন্দ্রবদি, মহাক হৌজিক করিগুম্বা লানল্মল্দি, থা তরুক্তগী চহী অনী ফাওবা ফাদোক পীদুনা দন্দি পীগনি অমসুং ফাইন অমসু থিহনগনি।

## ৬৪. ইজ্জৎ-মাঙহনবীরমদুনা অৱাবা নঙহনলবা অঙাংশিংগী মতাঙদা করি লৈ? মসিগুম্বা থৌদোকশিংদা পুলিসনা ইনগদবা অখন্নবা নিয়মশিং লৈবরা?




হোয়, মপুং ফানা লৈ। প্রোটেক্সন ওফ চিলড্রেন ফ্রোম সেক্সুএল ওফেন্সেস এক্ট, ২০১২ (পোকসো) দা অঙাংগী মরুপ-মপাং ওইনা রিপোর্ট, তৌবগী, প্রমানশিং রেকোর্ডিং তৌবগী, থি-হুম্বগী অমসুং অঙাংশিংগী মায়োক্তা কা হেনবগীদমক ৱায়েল চগ্থবগী নিয়মশিং লোয়না য়াওরি। ৱাকৎ অমা হেক ফংবা খুদক্তা জ্যুভেনাইল পুলিস য়ুনিট নত্রগা লোকেল পুলিসনা অঙাং নুপা নত্রগা নুপীদুগী ময়ুমদা নত্রগা মখোয়না খনবা মফম অমদা ৱারোল




(ষ্টেটমেন্ট) রেকোর্ড তৌগদবনি। রেকোর্ড অদু য়ারিবমখৈ হেন্না পাম্না সব-ইন্সপেক্টরদগী তাদবা নুপী পুলিস ওফিসার অমনা তৌগদবনি। অঙাংদুগী ৱারোল রেকোর্ড তৌরিঙৈদা পুলিস ওফিসারনা য়ুনিফোর্ম শেৎলোইদবনি। অঙাং অদু করিগুম্বা হেক ফীভমশিংগী মখাদা মরম অমা হেক লৈরবসু অহিংদা পুলিস ষ্টেসন্দগী চৎহন্দনা থম্বা য়াদে। অঙাংগী ৱারোলদু অঙাং অদুনা খঙবা লোন্ অমদা রেকোর্ড তৌগদবনি। অঙাংগী দরকার ওইবগী মতুং ইন্না পুলিসনা অর্থ তাকপা নত্রগা লোন্ হন্দোকপা নত্রগা অখঙ-অহৈ মীওই অমগী মতেঙ লৌগদবনি।

করিগুম্বা জ্যুভেনাইল পুলিস য়ুনিট নত্রগা লোকেল পুলিসনা অঙাং অসি চেকশিন্না য়েংশিনবগী অমদি ঙাকশেনবগী দরকার ওইরে হায়না ফাওরবদি মখোয়না খুদক্তা শিন-লাংদুনা অঙাং অদু সেলটর হোম অমদা নত্রগা লাইয়েংশঙ অমদা থাগদবনি। মসি তৌদ্রিঙৈদা পুলিসনা মরমশিং ইথোক্তুনা রেকোর্ড তৌগদবনি।

করিগুম্বা লাইয়েংশঙদা পুরবদি অঙাংগী মেদিকেল অক্যজামিনেসন অদু অঙাংদুগী মমা-মপা নত্রগা অঙাংদুনা থাজবা মীওই অতোপ্পা য়াওরবা মতমদা পাঙথোক্কদবনি। করিগুম্বা ভিক্টিম অদু নুপী মচা অমা ওইরবদি, মেদিকেল অক্যজামিনেসন অদু নুপী ডাক্টর অমনা তৌগদবনি।

## ৬৫. ঐগী এফ আই আর অমুকখক ফাইল তৌখ্রবদি করি থোক্কদগে?

এফ আই আরনা পুলিসকি থি-হুম্বগী থবক হৌহল্লী। মসিগী শরুক ওইনা পুলিসনা ভিক্টিমশিংদা অমসুং সাক্ষি ওইবশিংদা ৱারী শানবা য়াই, ৱারোলশিং-শীরমদাইদা লাওথোক্লম্বশিং য়াওনা রেকোর্ড তৌই, ক্রাইমগী মফম চ্যেক তৌই, ফোরেন্সিক অক্যজামিনেসনগীদমক্তা পোৎ-চৈ থায়, পোষ্ট-মোরতেমগী অশিবা হকচাংশিং থায়, মীওই কয়া ৱা হংই অমসুং লংলা-লংজিল অমমম্ খুদিংদগী মখা থি-হুম্বগী থবক চখৈ। থি-হুম্বশিং অমুকখক মপুং ফানা লোয়রবদি ওফিসার ইনচার্জ অদুনা মসিগী মপুম ওইবা রেকোর্ড অমা শেমদুনা থম্মী। মসিবু 'চাল্লান' নত্রগা চার্জসিট (মরাল শীবগী ৱারোল) কৌই।

## ৬৬. 'চাল্লান' নত্রগা চার্জসিট হায়বসি করিনো?

থি-হুমজিনবা পুল্লপ লোয়রবা মতুংদা ওফিসার ইনচার্জনা অচুম্বা লোয়না য়েংশিনগনি অমসুং ক্রাইম অমা থোকখ্রে হায়না উৎপা ঙম্বা মতীক চারবা প্রমানশিং লৈরব্রা হায়না মহাক্না লেপপী অমসুং হায়রিবা ময়ামশিং অসি সরকারগী উকিলনা বিচার চথনবা (প্রোসিক্যুটসন) অমসুং বিচার লোয়শঙগীদমক (কোর্ট) চার্জসিটতা ইথোক্তুনা থমই। করিগুম্বা ক্রাইম অমগী মচাক-মথুম ময়ামশিং অদু ফজনা শেম-শাদ্রগদি মরাল শীরবা মীওই অদু কোর্টতা পুথোকপা হায়বসি মতম মাঙনীংঙাই ওই। মরাল শীবগী ৱারোল অদু প্রোসিক্যুটসন অমসুং কোর্টতা অমুকখক চৎখ্রবদি মখোয়না মনীং-মখা তন্না মসিবু অক্যজামিন তৌদুনা পল্লম্লীবা অচুম্বা অমসুং ফীভম-মওংশিং অসিনা তশেংনা ক্রাইম অমা ওইথোকপা য়াবরা হায়না য়েংশিনগনি।

## ৬৭. ঐগী ৱাকৎপু পুলিসনা থুপচিন্দুনা মখা তানা থবক চখদনা থম্বা ঙম্বরা?

হোয় ঙমই। মখোয় মশাগী থিব-হুম্বদা করিগুম্বা পুলিসনা ক্রাইম অমা থোকখ্রে হায়বা ৱাখল্লোন অদু অচুম্বা অমত্তনা শৌগত্তে, মরাল শীবগীশিংগী শৌগৎনবা মতীক চাবা প্রমান লৈতে নত্রগা ক্রাইম তৌরম্লে হায়বদি খঙলগা মীওই কনানা তৌরম্বনো হায়বদি খঙবা ঙমদরে হায়না লেপ্পবদি মখোয়না কেস থুপচিনবা ঙমই। তৌবতবু নহাকপু মখোয়গী ফিরেপ অদু খঙহনগদবনি। মদুগী মতাঙ অদুদা নহাক্না কোর্টকি মমাঙদা কেস থুপচিনববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্নবগী খুদোংচাবা অমা লৈ।

## ৬৮. ঐগী কেসতা চঙশিনবা খোঙথাঙ খুদিংমক ঐহাকপু ঈ-পাউ পীরক্কদরা?

আইনদা কেস অমগী চঙশিনবা খোঙথাঙ খুদিংমক মতম চুপ্পদা নহাকপু পুলিস ওফিসারনা খঙহনবা দরকার ওই হায়না পনবা অখন্নবা অমত্তা লৈতে। তৌবতবু,

খঙহনলগা থি-হুম্বদা খুদোংথীনিংঙাই ওইদে হায়বা লৈরগদি ৱাকৎলক্লিবা মীওই অদুদা কেস করম্না চত্থুরি হায়বসি অফবা হৈনবী অমনি।

## ৬৯. করিগুম্বা পুলিসনা থৌদোকপু থিজিন-হুমজিন্দ্রবা নত্রগা য়াম্না তপ্না চত্থুরবা নত্রগা মখোয়না তৌফম থোকপা থিব-হুম্বগী মওংশিং অদু য়েংশিনলু য়াদ্রবদি ঐনা করি তৌবা ঙমগনি?

আইনদা মীওই কনা অমত্তনা পুলিসনা থিজিন-হুমজিনবা অমদা খুৎ থিংজিনবা য়ারোই হায়বা য়াম্না মরু ওইবা ৱাখল্লোন অমা লৈ। মদু হায়রগসু, করিগুম্বা পুলিসনা মমাঙদা চঙশিনলু য়াদ্রবা অমদি কা হেনজিন্না তপ্পবা নত্রগা তৌগে হায়দুনা তৌফম থোকপা থি-হুম্বগী মওং-মতৌশিংবু থওইদ্রবদি নঙনা পুলিস ওফিসারদুবু থিব-হুম্বা চত্থনবগী য়াথং পীবা ঙম্বা সেনিয়র ওফিসারশিং নত্রগা খ্বাইদগী নকপা মাজিষ্ট্রেটতা




চারোন-শুরোন্দগী লৈরক্লবা লন-থুম

শোয়দনা ৱাকৎপা ঙমই অমসুং লোয়ননা মহাক্লসু ইনভেষ্টিগেসনগী রেকোর্ড কৌবা ঙমই।

অমুক্কসু হন্না, হায়রিবা ময়াম অসি শোয়দনা ইথোক্লগা তৌগদবনি অমসুং রসিদকি রেকোর্ড অমা নঙনা শোয়দনা থম্বা হায়বসি নহাক্কী য়াম্না মরু ওই।

### ৭০. ঐনা অপাম্বা মতমদা পুলিস ওফিসার অমবু কৌবা ঙম্বরা?

ঙমই অমসুং ঙমদে। পুলিসশিং অসি কাহেন্না থবক তৌরবনি অমসুং মখোয়গী মশীং খরা খক্তনি মরম অদুনা মীয়াম্না মখোয়বু কৈসু লৈতবা অমসুং মরম চাদবা ঈ-পাউশিংগা লোয়নদুনা তোয়না কৌবা য়াদে। তৌইগুমসুং করিগুম্বা নঙনা অৱাবা তারবা, ক্রাইম অমা থোকখ্রবা নত্রগা থোক্লিবা, ঈরাং খরা থোকপা য়াবগী ফীভম লৈরবা, মীওই খরা ফুনরবা অমসুং চনৈনবা ঈরাং হৌনিংঙাই ওইরগদি, নত্রগা মখোয়দা য়াম্না লুবা ঈ-পাউ পীননবা লৈরবদি শোয়দনা নঙনা পুলিস কৌবা ঙমই। অদুবু নঙনা পুলিসপু মখোয়গী থবক্কা মরী লৈনদবা থৌদোকশিংগী কৌবা য়াদে। করিগুম্বা মতমদা মীওইশিংগী মরক্তা করিসু থোকত্রবসু নুংঙাইনদবা শাদুনা শান্নে অমসুং পুলিসপু করিমত্তা থোকত্রবা ফাওবদা কোল তৌই। অসিগুম্বা শাশিন্নবগীদমক্তা নঙবু চৈরাক পীবা য়াই।

### ৭১. পুলিস ওফিসার অমনা হান্না হংদনা ঐগী য়ুমদা লাক্লগা থিব-হুম্বা অমসুং পোৎ-চৈশিং পুদুনা চৎখিবা ঙম্বরা?

অকক্লবা ফীভম খরা খক্তংদা য়াই। করিগুম্বা পুলিসনা নহাক্কী য়ুমদা ৱাহং পাউহংনবা লাক্লদি মখোয়না নহাক্কী অয়াবা য়াওরবা মতমদা খক্তা চঙবা য়াই। তৌইগুমসুং, করিগুম্বা পুলিসনা চিংনবা নত্রগা ক্রিমিনেল অমা নঙনা লোৎশিন্দুনা থম্লে নত্রগা নঙনা লন-থুম হুরানলুবা নত্রগা আইন কায়বা খুৎলায় নহাক্কী য়ুমদা লৈরে হায়না থাজবগী মরম চাবা গ্রাউন্দশিং লৈরবা ফাওবদা সরকারগী মীগী য়ুমদা চঙদুনা থি-হুম্বা চথবগী য়াথং য়াওবা মাজিস্ট্রেটকি চেরোল (সর্চৱোরান্ট) অমা য়াওরবা খক্তংদা মখোয়না নহাক্কী য়ুম চঙবা ঙমই। তৌইগুমসুং, করিগুম্বা চিংনবা মীওই ক্রিমিনেল নত্রগা পোৎ-চৈশিং হেক থেংথবা য়াওদনা ফংবা দরকার ওইরবা অমসুং ফাজিনহৌদ্রগদি মদু মাঙখিবগী অকিবা লৈরগদি মখোয়না ৱোরান্ট অমা য়াওদ্রবসু নঙগী য়ুমদা চঙবা ঙমই।




## ৭২. নহাক্কী অর্থদি পুলিসনা ঐগী য়ুমদা হেক্তা চঙবা ঙম্মী অমসুং পোৎ-চৈ হেক্তা পুদুনা চৎখিবা য়াই হায়বরা?

নত্তে। মসি য়াম্না থুনা দরকার ওইবা মতমদা খক্তনি, খুদম ওইনা চিংনবা মীওই অমনা তশেংনা চেনখিবগী ওইথোকপা য়াবা লৈরবা নত্রগা করিগুম্বা প্রমানশিং মাঙহনখিবা য়াবগী মওং লৈরবদি পুলিসনা ৱোরান্ট অমা য়াওদনা নহাক্কী য়ুমদা চঙবা ঙম্মী।

ৱোরান্ট অমা য়াওগেরা নত্রগা য়াওরোয়রা মসিদা মপুং ওইনা ইনগদবা নিয়ম অমা লৈ। পুলিসনা য়ামদ্রবদা মনীং-মখা তম্না সাক্ষি ওইগদবা লৈকায়গী মীওই অনীখক মখোয়গা লোয়নগদবনি।

থিজিনবা অদু য়ুম্ব য়াওরবা মতমদা তৌগদবনি। য়ুম্ব অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা হায়বা য়াদে। পুলিসনা করি-করি মখোয়না পুরি হায়বগী লিষ্ট শেমগদবনি। সাক্ষি ওইরিবশিং, পুলিস অমসুং য়ুম্বুনা, পুদুনা চৎকদবা পোৎ-চৈশিংদু মখোয়না ভেরিফাই তৌরে হায়না সাহি তৌগদবনি। হায়রিবা অদুগী চপ-মান্নবা চে অমা য়ুম্বুদা থমম্গদবনি। করিগুম্বা, মাকোক/মমায় খুম্বী (পার্দাহ) নুপীশিং য়ুমদা লৈরবদি, নুপী ওফিসার অমা থিব-হুম্বগী মরক্তা শরুক য়াগদবনি অমসুং মখোয়না থিব-হুম্বা অদু চেকশিন্না লমচৎ-নাইনা নোল্লুক্না পাঙথোক্কদবনি।

## ৭৩. সর্চ ৱোরান্ট অমা হায়বসি করিনো?




প্রজাগী য়ুমশিং অমসুং ওফিসশিং অসি লন্নাইগী মফমশিংনি অমসুং তশেংনা ফজবা মরম য়াওদ্রবদি হেক ওথোরিটিনা থোং হাংদুনা থিব-হুমজিনবা অমসুং চঙবা ঙমদে। মরম অদুনা আইন্না হেক চঙবা পাল্লীবা মীওইশিং অদুদা করিগীদমক্তা মখোয়না মদুগী হক অদু থুগায়বগী মথৌ ওইবনো শন্দোক্না তাকপা দরকার ওইহল্লি। মরম অদুনা পুলিসনা মাজিষ্ট্রেট অমগী মমাঙদা চৎতুনা মখোয়না ক্রাইম অমা থিজিনবগী মায় পাকহনবদা মতেঙ ওইগদবা পোৎ-চৈশিং, চে-চাংশিং নত্রগা মীওইশিং লোৎশিন্দুনা মফম অদুদা থল্লে হায়না থাজবগী খল্লিবা মরমশিং অদু শন্দোক্না তাকদবনি। করিগুম্বা পুলিস ওফিসারনা মাজিষ্ট্রেটপু মরম চানা থিব-হুম্বনি হায়না ভাব তাহম্বা ঙম্লবদি মাজিষ্ট্রেটনা মহাকপু ওথোরিটি পীগনি। হায়রিবা ওথোরিটি অসি য়াম্না অকক্লবনি অমসুং মসিদা অকক্লবা মফমদা চঙবা য়ারবা অকক্লবা ওফিসার অদুগী মমিং-মথা অমদি ফম য়াওরি অমসুং মসি কোর্টকি মখাদা সাহি অমদি সিল য়াওরগা ইসু তৌই।

## ৭৪. করিগুম্বা ঐনা লম্বীদা চৎলিঙৈদা পুলিস ওফিসার অমনা ঐবু লেপহনবা ঙম্বরা অমসুং ঐঙোন্দা হেক অপাম্বশিং হংবা য়াব্রা?

য়াদে। চাউরাক্লা প্রজানা আইন কায়দনা থবক তৌবা চৎপদা পুলিসনা খুৎ থিংজিনবা য়াদে। তৌবতবু করিগুম্বা মখোয়না মীওই অমা মফম অমদা, মরু ওইনা মম্‌জিনখ্রবা মতুংদা কোইচৎ চত্তুনা লৈরে হায়না খল্লবদি খাম্দুনা মহাক্কী মমিং অমসুং করি তৌরিবনো হংবা য়াই। করিগুম্বা চাউরকপা ফীভমশিংগী মতাঙদা চিংনবা খরা নত্রগা চম্মনবা/অরোনবা লৈরবদি নহাকপুসু ফাবা য়াই।

পুলিসনা য়াম্না তোয়না পৱার অসি চিংনবা মীওইশিং অমসুং তোয়না আইন থুগায়গনবা কাঙবুশিং পুল্লপ হোইজিনবগী পাম্বৈ ওইনা শীজিন্নৈ। লান্না পৱার অসি শীজিন্নববু রিফোর্ম কম্মিটি ময়াম্না তোয়না খন্না নৈনৈ অমসুং নুংঙাইতবা ফোংদোকই।

**৭৫. পুলিসনা প্রোসেসন অমা নত্রগা লম্বীগী মীটিংদা শরুক য়াবদগী ঐহাকপু খাম্বা ঙম্বরা?**

মীওই কনামত্তনা নহাকপু শান্তি লৈবা প্রোসেসন অমদা শরুক য়াবদগী খাম্বা ঙমদে। তৌবতবু, ফজবা ৰাখল্লোন্দা প্রোসেসন অমগী মমাঙদা হান্না মাঙজৌননা লোকেল পুলিসতগী অয়াবা লৌগদবনি। করিগুম্বা মখোয়না প্রোসেসন অসি নিয়ম থুগায়গদবা নত্রগা ঈরাং থোক্লক্কদৌরে হায়না ফাওরবদি মখোয়না অহানবা মফমদা পাঙথোক্লবগী অয়াবা অদু চৎনহন্দবা ঙম্মী। করিগুম্বা প্রোসেসন্দা কোন্না চনৈনবা থোক্লবদি পুলিসনা মদু লেপহনবা ঙম্মী অমদি প্রজাশিংবু থাদোক্তুনা চৎখিনবা হংগনি অমসুং করিগুম্বা মখোয়না কায়দ্রবদি মখা তাবা এক্সন লৌবা ঙম্মী। অমরোমদা পুলিসনা শোয়দনা খুদিংমকপু শান্তি ওইনা লৈহনবগী মথৌ অমা লৈ, অতোপ্পা অমদনা নাগরিকশিংদা মখোয় মশাগী ফন্দামেন্টেল রাইট ওইরিবা শান্তি লৈনা মীয়াম মীফম ফম্বা হায়বসি চথবদা পুলিসনা মতেঙ পাংনবগী মথৌ অমসু লৈ।

**৭৬. লম্বীদা মীটিং নত্রগা প্রোসেসন অমা থুগায়বদা পুলিসনা ফোর্স শীজিন্নবা ঙম্বরা?**

হোয় ঙম্মী। তৌইগুমসুং, পুলিসনা তৌবমখৈ মরম চাগদবনি। মখোয় মফম অদুদা মীয়ামবু দন্দি পীননবা লৈবা নত্তে। মখোয় মফম অদুদা শোয়দনা মীয়ামগী অশোই-অঙাম থোক্তনবা অমসুং আইন অমসুং নিয়মশিং শোয়দনা কায়হন্দনবা লৈবনি।



মরম অদুনা রুলনা হায়রি পুলিসনা ফোর্স অসি মীয়াম অমা লাকশিনবদা অরোইবা অকোনবা পাম্বৈ অমা ওইনা খক্তং শীজিন্নগদবনি। করিগুম্বা মসি শীজিন্নদবা শুকয়াহেক য়াদ্রবদি য়াম্না য়ামদবা ওইগদবনি, লৈরিবা ফীভমদুদা চাং মান্নগদবনি অমসুং ঙনলিমখৈ ওইথোকপা য়াবা মতমদা/মতাঙদা লেপথোক্কদবনি। অশেংবদি একজিক্যুটিব মাজিষ্ট্রেট মথন্তা নত্রগা পুলিস ষ্টেসন অমগী ইনচার্জ পুবা ওফিসার অমা, নত্রগা ওফিসার ইনচার্জ লৈতবা মতমদা সব-ইন্সপেক্টরগী ফমদগী তাদবা পুলিস ওফিসার অমা খক্তনা হায়রিবা ফিভমশিংদা ফোর্স শীজিন্নবগী য়াথং পীবা ঙম্মী।

## ৭৭. পুলিসনা অপাম্বা মওংদা নোংমৈ কাপ্পা ঙম্বরা?

পুলিসনা অপাম্বা মওংদা নোংমৈ কাপ্পা ঙমদে, মী শীনিংঙাই ওইবা ফোর্স অসিদি য়াম্না তাংবা থৌদোকশিং, করিগুম্বা লাকশিন্নবগী পাম্বৈশিং লোয়না হোৎনরবা অমসুং লোয়শিনখ্রবা মতমদা খক্তং শীজিন্নবগী থম্বনি। অমুক্কসু, মাজিষ্ট্রেট অমা নত্রগা ওফিসার ইনচার্জ অমা খক্তংনা অসিগুম্বা এক্সন অসিগী অয়াবা পী।

## ৭৮. মতৌ অসুম্না করিগুম্বা পুল্লিবা মীয়ামশিংনা মঙক হায়গৎলবা অমসুং নুঙনা থাবা নত্রগা লন-থুম মাঙহন তাকহনবা থোক্লবদি পুলিসনা করি তৌবা তায়?

পুলিসনা মীওইবগী পুন্সি অমসুং লন-থুম ঙাকশেন্নবগী মথৌ অমা লৈ অদুবু মখোয় মশাগী থবকশিং অদু মতৌ করম্না মখোয়না পাঙথোক্কনি হায়বগী মথং-মনাও অমা লৈ। অহানবদা, তিনলিবা মীয়াম অদুদা ৱার্নিং ময়াম অমা অদুগা মদুবু ইন্নবা মতম



য়াওরগা তোঙান-তোঙানবা মায়কৈদা চৎথোকখিনবা পীগদবনি। অতোপ্পা ৱর্নিং অমগী মতুংদা টিয়ার গ্যাস শীজিন্নবা নত্রগা চৈনা ফুরগা তানখায়বা য়াই। কোক অমসুং লেঙজুমদা চৈনা কনবা-ফুবা য়াদে, খ্বাঙগী মখাদা মপা তমগদবনি। করিগুম্বা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পগী পাম্বৈ শীজিন্নগদবা লৈরগদি য়াম্না শেংবা অমসুং তোঙানবা ৱার্নিং, মদুদি নোংমৈ কাপ্পগী থবক চত্থগদৌরে হায়না পীগদবনি। মসিগী মতাঙদসু রুলনা য়াম্না য়ামদবা ফোর্স শীজিন্নগদবনি পল্লি। মতৌ অসুম্না কাপ্পা অদু নেম্না মপা তমগদবনি অমসুং মদু খ্বাইদগী অকিবা ফাওহল্লিবা তিনলিবা মীয়ামগী শরুক্তা অশোক-অপন থোক্তনবগী অদুবু মীয়াম অদুবু খক্তং থুগায়নবগী মীৎয়েংদা তমগদবনি। মীয়াম অদু কায়বগী খুদম হেক ফংবগা য়াম্না থুনা নোংমৈ কাপ্পা লেপকদবনি। অশোকপশিং খুদক্তা অনা-লাইয়েংশঙদা পুবদা মতেঙ পাংগদবনি। শোয়দনা ওফিসার তোঙানবা অমমম্না রেকোর্ডকিদমক্তা থৌদোক্তুগী মতাঙদা লৌখিবা মহাক্কী শরুক্কী রিপোর্ট অমা শেমগদবনি।

## ৭৯. পুলিসনা ঐবু অরোনবা মফম অমদা খামদুনা নত্রগা হেক মীওই অমদা মখোয়না ঐবু ফাজিন্দুনা থম্লে হায়দোক্তবা ঙম্বরা?

ঙমদে, পুলিসনা মসি য়াম্না তোয়না তৌবা থেংনৈ অদুবু মসি আইনগী মায়োক্তনি। পুলিসনা হেক নহাকপু মখোয়গী কষ্টদিদা থমখিবগা নহাক্কী হকচাংগী অনা-অয়েক অমসুং নহাক্কী হকশিং ঙাকশেন্নবা মখোয় মশাগী দায়ীত্বনি। করিগুম্বা নঙোন্দা হেক অমাঙ-অতোয় থোক্লবা নত্রগা করিগুম্বা হেক মতাঙদা নহাক্কী হকশিং ঈকাই-খুম্নদ্রবা থোক্লবদি পুলিসনা দায়ীত্বা লৌগনি। মসি য়াম্না মরু ওইবা ৱাখলদা থমগদবা আইনগী পাউতাক অমনি। মথংদা, পুলিসকি তৌদ্রবা য়াদ্রবা মথৌ-মখোয় মশাগী ষ্টেসনগী জেনরেল ডাইরীদা পুলিস ষ্টেসন্দা লাক্লম্বা ময়ামগী রেকোর্ড তৌবগী অশেংবা থৌওংনা নঙবু করম্বা মতমদা ৱাহং পাউহংগী পোরক্লম্মী অমসুং করম্বা মতমদা ফাবা অদু থোকখিবনো হায়বদু তাক্কনি। থি-হুম্বা তৌরিবা ওফিসার অদুগী কেস ডাইরীদসু মসি লৈগনি। পুলিস কন্ট্রোল রুমনসু অকোনবা পুং ১২ দা ফারকপা পুম্নমক্কী মতমগা চুনবা লিষ্ট অমা উৎকদবনি।

অরোইবদা, নহাকপু চপ্তনা হংলিঙৈ মনুংদা নঙগী উকিল অমা শোয়দনা লৈগদবনি হায়বা অশেংবা ৱাফমশিনা তঙাইফদনা কষ্টদিগী লৈফম খঙহনগনি অমসুং নহাক্কী মরুপ-মপাংশিং নত্রগা মরী-মতাশিং চঙবা য়াগনি।

## ৮০. পুলিস ওফিসারনা ঐবু পুলিস ষ্টেসন্দা খামদুনা থম্বা ঙম্বরা নত্রগা ঐহাক্না পাম্বা মতমদা থাদোক্তুনা চৎপা ঙম্বরা?

নহাকপু চৎনবীগী মতুং ইন্না ফাদ্রিফাওবা, নহাকপু কষ্টদিদা নহাক্কী অপাম্বগী মায়োক্তা খামদুনা থম্বা ঙমদে। করিগুম্বা চৎনবীগী মতুং ইন্না পুলিসনা নহাকপু ৱাহং-পাউহংগী কৌখৎলবদি মখোয়গা থবক তৌমিন্নবগী মথৌ অমা লৈ অমসুং মখোয়গী থিজিন-হুমজিনবদা মতেঙ পাংগদবনি। অদুবু ৱাহং-পাউহং অদু খুদক্তা থীন্থদনা অমসুং মঙম ঙম্বা ওইগদবনি অমদি মখা শুম চত্থবা য়াদে। পুলিসনা নহাকপু লোইবা নাইদনা মখোয়গী ষ্টেসন্দা ঙাইহনবা য়াদে। অসিগুম্বা ফীভমশিংদা নঙনা অপাম্বা মতমদা থাদোক্তুনা চৎপা য়াই।



## ৮১. পুলিস ওফিসারনা ঐবু চৎহন্দনা থল্লে হায়না ভাবনা শারশি, অদু ওইরগদি ঐহাক্না করি তৌবা তায়?

করিগুম্বা নিয়মগী মতুং ইন্না নঙবু ফাদ্রবা, কষ্টদিদা নহাকপু নঙগী পুক্নিংগী অপাম্বগী মায়োক্তা মীকুপ অমা ফাওবা থম্লবদি য়াম্না লুবা কা হেনবা থবক অমনি। মসি আইন্না য়াদনা ফাবা কৌই (ইলিগেল দিটেন্সন) অমসুং নহাক্না নত্রগা নখোয়গী ঈমুং-মনুংগী মীওইশিং/মরুপ-মপাংশিং মরক্তগীনা ওফিসারদুগী মতাঙদা মহাক্কী সেনিয়রদা নত্রগা মাজিষ্ট্রেট ফাওবা য়ৌরগা রাকৎপা য়াই।

খ্বাইদগী মরু ওইনা উকিল, ঈমুং-মনুংগী মীওই নত্রগা মরুপ-মপাংগী মতেঙনা হায় কোর্ট নত্রগা সুপ্রিম কোর্ট ফাওবা য়ৌনা চৎলগা নহাকপু খুদক্তা থাদোকপীনবা হায়জবা হেবিঅস কোর্পস দরখাস্ত অমা থাঙ্গৎকদবনি।

## ৮২. হেবিঅস কোর্পস করিনো?




মসি শক্তি লৈবা লৈঙাকপশিংগী এজেন্টশিংনা প্রজাবু পুদুনা চৎপগী মায়োক্তা ঙাকশেন পীননবা অরানবা চুমথোকপা ঙম্বা য়াম্না অরিবা পোৎশক অমনি। মসিগী সাহিত্যগী অর্থদি হকচাং পুথৌকউ হায়বনি (প্রোড্যুস দি বোডি)। মসি লাম্না ফাজিনবগী মায়োক্তা খ্বাইদগী চৎনবা অরানবা চুমথোক্লবনি। মসি হায় কোর্ট নত্রগা সুপ্রিম কোর্টনা য়াম্না অথুবা য়ুম্ফমগী মতুং ইন্না লেপ্পি। কোর্টনা মী অমা মাঙখরে তাকপা অদুগা ভিক্টিম অদু ইকোন-কোন্না পুলিসকি কষ্টদিদা উখি উৎপা দরখাস্ত অমা অমুকখক ফংবগা কোর্টনা মমাঙদা মীওইদু খুদক্তা পুথোক্লনবা পুলিসপু হংগনি অমসুং করিগুম্বা বিচারোল মরম চাদনা ফারবদি মহাকপু থাদোক্লবা হায়গনি। করিগুম্বা ফাজিনবা অদু আইন কায়রল্লবদি কোর্টনা ভিক্টিম অদুদা ক্ষতি পুরন ফাওবা পীহনবা ঙমই।

## ৮৩. করিগুম্বা আইন্না য়াদনা ফাখিবা মীওই অমা কদায়দা থম্বগে খঙদ্রবদি মহাকপু ফংনবগীদমক্তা থিনবা অতোপ্পা মওং লৈরিব্রা ?

হোয় লৈ। নহাক্না মীওই অদু কদায়দা লৈবগে হংবা আর টি আই দরখাস্ত অমা পুলিস ষ্টেসন্দা থাজিনবা য়াই। ঈ-পাউ অসি মীওইবা অমগী পুন্সি অমসুং মনীং-মখা তম্বগা মরী লৈনবনা পুলিসনা পুং ৪৮ গী মনুংদা ঈ-পাউ পীফম থোকই।

## ৮৪. পুলিস ওফিসার অমনা মওং তাবা মরমশিং য়াওদনা ঐবু ফাবা ঙম্বরা?

ঙমদে, পুলিসনা করিগুম্বা ফানবা মতীক চাবা গ্রাউন্দশিং লৈরবা মতমদা খক্তং ঐবু ফাবা ঙম্মী। খুদম ওইনা হায়রবদা করিগুম্বা মীওই অমবু অরানবা থবক খরা তৌরিঙৈ ময়াইদা থেংনরবদি খুৎথেঙননা মহাকপু ফাবা ঙম্মী। হেক কনাগুম্বা অমনা মরম ওইদুনা কনাগুম্বা মীওই অমবু এফ আই আরদা মমিং পনলম্লে হায়দুনা ফানবগী মরম অমা ওইবা য়াদে। প্রমানগী মওংদা অহেনবা পোৎশক খরা নহাকপু ফাননবগীদমক্তা লৈগদবনি।

করিগুম্বা মীওই অমনা চহী তরেৎ ফাওবা চৈরাক পুবা য়াবা ক্রাইম অমগী চিংনরবদি মহাক্না মখা তাবা ক্রাইমশিং চথুবদগী মাঙজৌননা ঙাকথোকহৌনবা নত্রগা মহাক্না প্রমান শেমদোক-শাজিন তৌবদগী মাঙজৌননা ঙাকথোক্লবা মীওই অদুবু ফাবা দরকার ওইরে হায়না পুলিস ওফিসার অদুনা অপেনবা ফাওদ্রিফাও ফাবা ঙমদে।

ওফিসার অদুনা মীওইদু ফাবা নত্রগা ফাদবদা লেপকেরা তৌরিবা অদুগী মরমশিং মহাক্কা ইথোল্লুগা পীগনি।

## ৮৫. করিগুম্বা ক্রাইম অমা তৌরে হায়না ঐবু চিংনরবদি পুলিসনা ঐগী ঈমুং-মনুংগী মীওইশিংশু ফাবা ঙমব্রা?

ঙমদে, পুন্না লৈমিন্নবগী মরাল লৈতে। মী অমমম্গী মরাল নত্রগা মরাল্লৈতবা হায়বসিদি মখোয় অমমম্গী মশাগী থবকশিংনা বিচার তৌগদবনি অমসুং কনাগুম্বা অতোপ্পা চিংনবা মীওই অমগা মখোয়গা নকশিন্নরুবা নত্রগা মরী লৈনরুবা মরমনা লেপ্তে। কনাগুম্বা অমগী মনীং-মখাবু অখন্নবা আইনগী মরম অমা নত্তনা লৌথোকপা ঙমদে।

পুলিসনা ঈমুং-মনুংগী মীওইশিংবু, মরুপশিংবু কিহন্দুনা নত্রগা মখোয়শিংবু কষ্টদিদা পুদুনা ৱারেপ্পবগী নত্রগা মমল তীকনবগী খুলায় ওইনা শীজিন্নবা য়াদে। মসিগী ৱাফম লেপ্পদ্রিফাওবা মীওই ফাদুনা থম্বগী থৌওং অসি আইন্না য়াদনা মীওই ফাজিন্দুনা থম্বা য়াম্না লুবা ক্রাইমশিংগা নত্রগা য়ামদ্রবদা নমদুনা অফা-অপুন তৌবগা মান্নৈ হায়না লৌবা য়াই।

পুলিসনা ফল তানবা হোৎনরিবা কেস অদু কয়ামুক লুবগী ৱাফম ওইজসনু, চিংনবা মীওইদুদা মহাক মশামক্না হায়দোকচনবা নত্রগা মরাল য়াজরে হায়নবগীদমক্তা নমথনবা শাফু পীনবা হোৎনবদা মখোয়না আইন কায়বা থবকশিংগী পাম্বৈ শীজিন্নবা য়াদে। অদুগুম্বা মীওই অদু খক্তং ফাবা য়াই কনাগুম্বা মখোয়গী মায়োক্তা ক্রাইম অমা তৌরম্লে হায়না খনবগী মরম চাবা গ্রাউন্দ অমা লৈরবদি।

## ৮৬. নুপীশিং ফানবগী অমসুং কষ্টদি মনুংদা য়েংশিন্নবগী অখন্নবা নিয়মশিং লৈবরা?

থাঙ্গৈশেংনা লৈ। নুপী কনা অমত্তা নুমিৎ তাখিবদগী নুমিৎ থোরকপা ফাওবগী মরক্তা য়াম্না অখন্নবা মরমশিং লৈত্রি ফাওবদি ফাবা য়াদে। অদু ফাওবদা মাজিষ্ট্রেটনা মসি য়াহনবগী মতীক চাবা মরমশিং লৈরে অপেনবা ফাওরবা মতুংদা ইথোল্লবা অখন্নবা অয়াবা অমা লৌগদবনি। নুপী পুলিস ওফিসার অমা ফাবা মতমদা য়াওগদবনি। নুপীদু পুলিস ষ্টেসনগী তোঙানবা লোকউপতা থমগনি অমসুং হেক অক্যজামিনেসন নত্রগা থিব-হুম্বদা নুপী ওফিসার নত্রগা নুপী ডাক্তর অমনা পাঙথোক্কদবনি।



শুকশোই-শোয়দনা নুপীশিংগী মরী লৈনবা নিয়মশিং পুন্নমক চেকশিন্না ইনহনবা অমসুং রেকোর্ডশিং লোয়নমক কুপ্পা থম্বা হায়বসি পুলিস ওফিসারশিং মখোয় মশামক্কীসু খ্বাইদগী ফবা পামজবা ৱাখল্লোনশিং ওই। খুদম ওইনা, আইন্না হায়রি করিগুম্বা কষ্টদিদা নুপী অমনা ইজ্জৎ-খোঙ্গাওনরে হায়না ৱাকৎলক্লবদি পুলিস ওফিসারনা মদু থোকখিদে উৎপা ঙমদ্রি ফাওবদি ৱাকৎ অদু লৌগনি।

## ৮৭. অঙাংশিংগী মতাঙদা করি লৈবগে? মখোয় মশাগী অখন্‌নবা নিয়ম খরা লৈবরা?



চাউরাকপা আইনগী মখাদা, চহী ৭ কী মখাদা লৈবা অঙাংশিংবু ক্রাইম অমগী মরাল শীবা য়াদে। মতৌ অসুম্না, মখোয়বু পুলিস কষ্টদিদা পুবা য়াদে। তৌইগুমসুং, চহী ১৮ ফাওবগী অঙাংশিংগী ৱাহং-পাউহং, ফাবা, কষ্টদি, থাদোকপা অমসুং জামিন্দা শৎপা হায়রিবশিংগী নিয়মদি জ্যুভেনাইল জষ্টিস (কেয়র এন্দ প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন) এক্ট, ২০০২ না লোয়না ঙাকশেল্লি।

পুলিস ষ্টেসন অমমম্‌দা অখন্‌নবা ত্রেনীং ফংলবা ওফিসারশিংগী জ্যুভেনাইল পুলিস য়ুনিট অমা লৈগদবনি। মখোয়না লোকউপ মনুংদা শুকথম থম্লোইদবা অঙাংশিংগী চেকশিন থৌরাঙ অমসুং অফা-নুংঙাইগী দায়ীত্বা লৌগদবনি। অদুগী মতুত্তা অঙাং অদুবু খুদক্তা মপা-মমাদা মখোয়গী থাজবা ৱাহৈশিং য়াওরগা জামিন্দা শীন্নগদবনি।

করিগুম্বা মপা-মমা ফংদ্রবা নত্রগা ফত্তবা মরুপ-মপাংশিংগী মখুত্তা অঙাং অদু তাগদবগী খুদোংথীবা ফাওরবদি অঙাং অদুবু জ্যুভেনাইল কোর্ট মমাঙদা পুথোক্ত্রিবা ফাওবা লোকেল ওবজর্ভেসন্দা থাগদবনি। য়াম্না মরু ওইবা ৱাখল্লোন্না আইনগা লৌতুনরুবা অঙাং অমা য়েংশিনবগী ঙাকশেন তৌরি মদুদি মখোয় মশাবু কোন্না অমুক হন্না অফবা ফীভমদা হঞ্জিলহন্নবগীদমক্তা অঙাংদুগী খ্বাইদগী ফবা ইন্টরেষ্টতা নিয়মশিং পুন্নমক অঙাং অমগী মরুপ-মপাং ওইবা ৱাখল্লোন ওইগদবনি।

## ৮৮. করিগুম্বা পুলিসনা ঐবু ফারবদি, মখোয়না অপাম্বা মখৈ কুইনা ঐবু থম্বা ঙম্বরা?

হেক মীওই অমবু খ্বাইদগী শাংনা পুলিস ষ্টেসনগী অমগী কষ্টদিদা থম্বা ঙম্বশি পুং ২৪ ওই। মসিনা খ্বাইদগী য়াম্বনি। পুলিসনা মখোয়গী কষ্টদিদা লৈবা হেক মীওই অমবু মাজিষ্ট্রেটকি মমাঙদা পুংজা ২৪ গী মমাঙদা ফাবদু লোয়রে অমসুং মদুদগী থেংথনা ফাদে হায়না বিচারোল পীবা দরকার ওইবা চে-চাংশিংগা লোয়ননা পুথোক্কদবনি।

## ৮৯. মদু ওইরগদি, মতৌ করম্না ইরাইগী নুমিদাংদা ফাবা মীওইশিংদু লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবা কষ্টদিদা থম্লীবনো?

মসিগী আইন্না য়াদবা থবক চথনবগীদমক্তা পুলিসকি ঙাকপীনবা ৱাহৈদি হাপ্তা লোয়শিনলকপনা মরম ওইদুনা মাজিষ্ট্রেট ফংদে হায়বসিনা ওই। অদুবু অশেংবদদি নুমিৎ খুদিংগী মতম চুপ্পদা ফংবা মাজিষ্ট্রেট অমা মতম চুপ্পদা মথৌদা লৈ। কোর্টকি নোংমগী চাং নাইবা পুংজাশিংগী মতুং, কনাগুম্বা কষ্টদিগী পুংজা ২৪ গী অকল্লবা লোয়শিনলক্লবা মীওই অমা মাজিষ্ট্রটকি মমাঙদা মহাক্কী ময়ুমদা মতম চুপ্পদা পুথোকপা ঙম্মী। মাজিষ্ট্রেটনা চিংনবা মীওই অদুবু উনবদগী ইন্থোকপা য়ারোই।



## ৯০. মতৌ করম্না হেক মীওই অমনা ঐহাক কদায়দা লৈগে খঙগনি?

নহাকপু সিষ্টেম মনুংদা মাঙখিবগী মায়োক্তা ঙাকশেন পীনবগী পোৎলম ময়াম অমা আইনদা লৈ। নঙবু পুলিসনা ফাবগা মখোয়না য়াম্না থুনা তৌগদবা পোৎশক ময়াম অমা লৈরি। মখোয়না মেমো ওফ এরেষ্ট কৌবা অমখক শেম-শাগদবনি অমসুং লোকেল মাজিষ্ট্রটতা মদুবু থাগনি।

নঙনা খুদক্তা নহাক নশাগীরা নত্রগা লিগেল এড সিষ্টেমদগীরা উকিল অমা নেকপা য়াই হায়বসি খঙব্রা হায়না শুকশোই-শোয়দনা মখোয়না নঙোন্দা খঙহনগদবনি। মখোয়না ঈমুং-মনুংগী মীওই নত্রগা মরুপ অমদা নঙ কদায়দা লৈবনো হায়বগী মতাঙদা ঈ-পাউ পীগদবনি। হায়রিবা হীরম ময়ামশিং অসি পুলিসনা পরারবু লান্না শীজিন্নবগী তানজাশিং হন্থহন্নবা আইন্না লেংহন্দনা থম্মী। করিগুম্বা পুলিসনা নিয়মশিং অসি ইন্দ্রবদি মখোয় কোর্টশিংদা শোয়দনা পাউখুম পীবগী দরকার ওইগনি।

মসিদগী হেন্না পুলিসনসু দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কন্ট্রোল রুমগী মপান্দা ফারক্লবা মীওই লোয়নমক্কী মমিং, লৈফমশিং, ফারুরিবা ওফিসারশিংগী মমিং অমসুং ফম নোটিস বোর্ড অমদা উৎকদবনি। ষ্টেট খুদিংগী পুলিস হেদক্বার্টসশিংগী কন্ট্রোল রুমনসু ফাখ্রবা মীওইশিং অমসুং মখোয়দা চার্জ তৌরিবা কা হেনবা থবকশিং অদুগা লোয়নবা দাটাবেজ অমা সাধারন প্রজাগীদমক্তা থমগদবনি।

## ৯১. 'মেমো ওফ এরেষ্ট' অমা শীজিন্নবনা ঐঙোন্দা করি কান্নবা লৈ?

মসি আইন থুগায়রগা চৎহন্দনা থম্বগী মায়োক্তা ঙাকশেন ওইনবা অমনি। মেমো ওফ এরেষ্টতা নহাক্কী নমিং, মতম, তাং, ফাবগী মফম, লোয়নন্না ফাবগী মরমশিং অমসুং চিংনরিবা কা হেনবা থবক্তো করিনো হায়বা য়াওগদবনি। মসি পুলিস, সাক্ষি অনী অমসুং নহাক্না রেকোর্ড অদুনা থৌদোকশিংগী অশেংবশিংগী মতাঙদা অচুম্বা ৱারোল অমা শোয়দনা পীননবা সাহি তৌগদবনি। অহানবা থেংনবদা করিগুম্বা হায়রল্লীবশিং অদু চুম্ব্রা হায়না মহাক্না অনীরক চ্যেক তৌগনি।

## ৯২. ইন্সপেক্সন মেমো অমা হায়বসি করিনো?

মসি নঙবু কষ্টদিদা পুবা মতমদা নহাক্কী হকচাংগী ফীভমবু তেন্তক্না তাকপনি। মসিনা নঙগী চাউরাকপা হকচাং মপান্থোং ফীভমগী রেকোর্ড অমসুং হকচাংগী অশোকপা অচৌবা অমসুং মচাশিং ইশিন্দুনা থমই হায়না খল্লি।

অমুক্কা হন্না, মসি নঙনা অমসুং ফারিবা ওফিসার অদুনা সাহি তৌগনি অমসুং মদুগী কোপি অমা নঙোন্দা পীগনি। অদুবু, মসিগী মেমো অসিগা অমসুং দি মেমো ওফ এরেষ্টকা খেৎনবা অদুদি মসিগীদমক্তদি নঙনা হায়জবা দরকার ওই। মসিগী চৎনবী অসিনা কষ্টদি মনুংদা ফুবা নত্রগা ওৎ-নৈবা শোয়দনা থোক্তনবগীদমক্তনি।

অদুবু কনানা নঙবু অক্যজামিন তৌগনি হায়বসি মসিনা ময়েক শেংদে। করিগুম্বা ফারিবা ওফিসার মহাকমক্না নঙবু অক্যজামিনিং তৌরবদি মদুগী চে মচেৎ অদুনা পীবা ঙমদৌরিবা ঙাকশেন অসি য়াম্না য়ামদবা ওইগনি। তৌইগুমসুং সরকারনা অয়াবা পীরবা ডাক্তর অমগী সর্টিফিকেটসু অতোপ্পা চে-চাংশিং পুন্নমক্না লোয়নন্না অহানবা শকউৎপদা মাজিষ্ট্রেটতা পীগদবা মরমনা ডাক্তর অমনা নঙবু হান্না অক্যজামিন তৌগনি অমসুং নহাক্কী হকচাং মপান্থোংগী ফীভমগী মতাঙদা চেরোল অমা পীগনি।

## ৯৩. মতৌ করন্না ঐনা ময়ামশিং অসি খঙবা ঙমগনি?

আইনগী মতুং ইন্না, নহাক্কী হকশিং অদু ফাবা মতমদা নঙোন্দা পুলিসনা তমগদবনি। মথক্তা পল্লিবা গাইড লাইনশিং অসিগী অহেনবদা সুপ্রিম কোর্টকি কেসনা মওং মতৌ শেমখিবা করিগুম্বা মতমদা দি কে বসু গাইদলাইনস কৌবা অমখক পুলিস ষ্টেসনশিং, চোকিসশিং অমসুং থনাসশিংগী বোর্ডশিংদা উৎকদবনি।

## ৯৪. ঐবু পুলিস ওফিসারনা কষ্টদিদা ফুবা চৈবা ঙম্বরা?

ঙমদে, পুলিস ওফিসারনা কষ্টদিদা নঙবু ফুবা, খুপাক্লা থাবা, কিহনবা নত্রগা কিননবা তৌবা ঙমদে। মসি আইনগী মায়োক্তনি অমসুং মসিগীদমক পুলিস ওফিসার অদু চৈরাক পীবা ঙমই।

## ৯৫. পুলিস ওফিসারনা ঐবু মরাল অমা য়াজনবগীদমক ফোর্স তৌবা ঙম্বরা?



ঙমদে, পুলিস ওফিসারনা নঙোন্দা ৱা হংবগী হক অমা লৈ অদুবু নঙনা তৌরুদবা ক্রাইম খরগী মতাঙদা নঙনা মরাল য়াজরে হায়য়ু হায়না মহাক্লা নঙবু ফোর্স তৌবা ঙমদে। হেক কেস অমবু ওইরসু, পুলিস ওফিসার অমদা মরাল য়াজরে হায়খিবা অদু কোর্টতা পুশিনবা য়াদে অমদি চৎনদে।

## ৯৬. পুলিসনা অথিংবা ময়ামশিংগা লোয়ননা মখোয়না মরাল লৈবা ফাবগী মথৌ পাঙথোকপা ঙমগদ্রা?

ইহান হানবদা, কনানা মরাল লৈ নত্রগা লৈতে লেপ্পা হায়বসি পুলিসকি মথৌ নত্তে। পুলিসশিংদি চিংনবা মীওইশিং অমসুং মরাল শীবীরবা মীওইশিং ফাবা খক্তংগী লৈবনি। অদুবু মখোয়না মীওইদুবু হান্না মরাল লানলবগুমনা লমচৎ-চৎপা ঙমদে অমসুং মখোয়বু দন্দি পীনবগী হক লৈতে। হায়রিবা থবক অসিদি কোর্টকি মথৌনি। মরকশিদা, কষ্টদিদা লৈবা মীওইবু লান্না মরাল শীবীবদগী অমসুং লান্না তৌবীবদগী কন্নবা ঙাকশেন খুদিংমক পীগদবনি। মরমসিগীনি অথিংবা লৈরিবসি। অশেংবগীদি মখোয়শিং অসি অথিংবশিং অমত্তা নত্তে অদুবু ময়াম খুদিংমকপু শোয়দনা কোর্টকি মমাঙদা মীচং-মীখাই নাইদনা খুদোংচাবা অমা ফংহনবগীদমক্তা তুং-মাং য়েংদুনা শাগৎখিবা মরম চাবা অমসুং বিচার ওইরবা চৎনবী নিয়মশিংনি।

## ৯৭. অদুবু মরাল শীরবা মীওইগী কা হেন্না য়ামনবা হক ময়াম লৈতবরা? ভিক্টিমশিংগী মতাঙদদি করি লৈবগে?

প্রজানা ভিক্টিমগীদি কনা অমত্তনা য়েংশিনবীদে হায়না খল্লি। অদুবু অশেংবগীদি, ষ্টেটকি শক্তি লোয়নমক ভিক্টিমগীদমক্তা লৈরিবনি। ষ্টেটনা ক্রিমিনেল থিরিবা অসি ভিক্টিমশিংগীদমক্লি। ভিক্টিমশিংগী মরমগীদমক্তনি ষ্টেটনা কোর্টকি মমাঙদা মরৈ-য়েৎননবা সরকারগী উকিল অমা খনলিবসি। মসি ভিক্টিমশিংগী মরমগীদমক্তনি ষ্টেটনা মরাল লৈরবশিংবু চৈরাক পীরীবসি। অদুবু মরাল শীবীরবা অদুদি মথন্তা লেপ্পী। মহাক মরাল শুকলৈ লৈতবসু য়াই। মরম অদুনা ষ্টেটকি পৱার অদুবু মহাক মশামক্লা ঙাকথোকচগদবা কনাগুম্বা মীওই অমগা মায়োক্লবদা থোঙ-মান্ননবা আইন্না ঙাকশেনগী থৌরমশিং শেমদুনা থমখ্রে অমসুং কনাগুম্বা মমল পীদুনা নেকপা ঙমজদবশিংদা লেন্না আইনগী মতেঙগুম্বসু পীবী।

## ৯৮. পুলিসতগী ঐনা জামিন্দ ফংবা ঙম্বরা?

করিগুম্বা নঙবু জামিন্দা থাবা য়াবা কা হেনবা থবকশিংগীদমক্তা ফারবদি নঙনা পুলিসতগী জামিন্দ ফংবা ঙমই। করিগুম্বা নঙবু জামিন্দা থাবা য়াদবা কা হেনবা অমগী ফারবা পুলিস ষ্টেসন অমগী ওফিসার ইনচার্জ অমনা নঙবু জামিন্দা থাদোকপা ঙম্বগী কা হেনবা থবক খরা খক্তং লৈ।

## ৯৯. 'বেইলেবল ওফেন্স' হায়বসি করিনো অমসুং নন-বেইলেবল ওফেন্স হায়বসিনা করিনো খঙবা মরু ওইবরা?

হোয় ওই, জামিন্দা শৎপা য়াবা কা হেনবশিংদি জামিন্দ অসি হক অমা ওইবা, লুবা হন্থবা কা হেনবশিংনি। মসিগুম্বা থৌদোকশিংগীদি নঙনা পুলিসতগী খুদক্তা জামিন্দ ফংবা য়াই। জামিন্দা শৎপা য়াদবা কা হেনবা থদৌকশিংগীদি জামিন্দ অসি খুদোংচাবা অমা ওইবা, য়াম্না লুবা কা হেনবশিংনি। মসিগুম্বা কা হেনবশিং অয়াম্বগীদি, পুলিস ফাওবনা পীবা ঙম্বা খরা অমা থম্বা নত্তনা কোর্টশিংনা খক্তং জামিন্দ পীবা ঙম্মী।

## ১০০. করিগুম্বা ঐবু জামিন্দা থাবা য়াদবা কা হেনবা অমগী মরাল শীবীরবদি জামিন্দ ফংবা হায়বসি ওইথোক্তব্রা?

লৈতে, মদুগী লোয়নমক দরকার ওইদে। নঙনা জামিন্দা শৎপা য়াদবা কা হেনবশিংগী ফাওবা জামিন্দ ফংবা য়াই। নঙনা এপ্লিকেসন অমা কোর্টকি মমাঙদা থাগনি। কোর্টনা কা হেনবদুগী লুবগী চাং, নঙ চেনখিগদ্রা করিগুম্বা জামিন্দা থাদোক্লবদি নত্রগা নঙনা সাক্ষি ওইবশিংবু কিহনগদ্রা নত্রগা প্রমানবু শেমদোক-শেমজিন তৌগদ্রা হায়না য়েংশিনগনি। করিগুম্বা কোর্টনা মথক্তা পল্লিবশিংশে নহাক্না তৌররোই হায়না ফাওরবদি মসিনা নঙোন্দা জামিন্দ পীগনি।

## ১০১. মদুগী অর্থদি ঐহাক হৌজিক মনীং তম্লে হায়বরা?


মদু ওইদে, নঙনা হৌজিক ফাওবা বিচার অমা মায়োক্লগনি, মসিগী মতম মনুংশিদা কোর্টনা নহাক মরাল লৈরে নত্রগা লৈতে হায়বা লেপকনি।



# পুলিস ইন্সগ্নিয়া



ডাইরেক্টর
জেনরেল ওফ পুলিস
(দি জি পি)



ইন্সপেক্টর
জেনরেল ওফ পুলিস
(আই জি পি)



দিপুটি ইন্সপেক্টর
জেনরেল ওফ পুলিস
(দি আই জি)



সেনিয়র সুপরিন্টেণ্ডেন্ট
ওফ পুলিস
(এস এস পি)




সুপরিন্টেণ্ডেন্ট
ওফ পুলিস
(এস পি)



এডিসনেল সুপরিন্টেণ্ডেন্ট
ওফ পুলিস
(এদিদিএল এস পি)

# পুলিস ইন্সগ্নিয়া



এসিসটেন্ট/দিপুটি
সুপরিন্টেণ্ডেন্ট
ওফ পুলিস
(এ এস পি/
দি ৱাই এস পি)



ইন্সপেক্টর
(আই পি)



সব-ইন্সপেক্টর
(এস আই)



এসিসটেন্ট সব-ইন্সপেক্টর
(এ এস আই)



হেড কনষ্টেবল

# সি ঐচ আর আই প্রোগ্রেমস

সি ঐচ আর আইগী থাজবদি মীওইবগী হকশিং, অচুম্বা ডেমোক্রেসি অমসুং চাউখৎ-থৌরাঙ মীয়ামগী পুন্সিদা তশেংনা চৎনহনগে হায়রবদি দায়ী ওইবগী, শরুক য়ানবগী অৱাংবা ষ্টেন্দর্দশিং অমসুং পাঙথোক্লবা থৌওংশিং কম্মনৱেল্থকি মনুংদা অমদি মসিগী মেম্বর লৈবাকশিংদা লৈগদবনি হায়বসিদা য়ুক্ষম ওই। মসিগী মতুং ইন্না, চাউরাকপা হ্যুমেন রাইতস এডভোকেসি প্রোগ্রেম অমগী মথক্তা সি ঐচ আর আইনা ঈ-পাউ অমসুং বিচাররোলদা চঙন্নবা শৌগৎলি। হায়রিবশিং অসি রিছর্স, চেফোঙশিং, ৱার্কশোপশিং, ঈ-পাউ শান্দোকপা অমসুং ঙাকলৌ ওইদুনা শৌগৎপশিংগী মতেঙদগী পাঙথোকই।

## হ্যুমেন রাইতস এডভোকেসি:

সি ঐচ আর আইনা চাং নাইনা ওফিসিএল কম্মনৱেল্থ বোডিশিং অমসুং মেম্বর গবর্ণমেন্টশিংদা থৌরাঙ, প্রস্তাবনচিংববু য়াবীনবা ৱাফম হৌদোকই। মতম মতমগী ওইনা সি ঐচ আর আইনা অশেংবা করিনো খঙদোক্লনবা অকক্লবা থবকশিং নাইজেরিয়া, জামৱিয়া, ফিজি আইলেন্দস অমসুং সৈড়া লেওনদা থাখ্রে। সি ঐচ আর আইনা মীওইবগী হকশিং শৌগৎনবগীদমক্তা মখোয় মশাগী অপুনবা পৱার শেমগৎলিবা তোঙান-তোঙানবা খেৎনবা কাঙলুপশিংবু পুল্লপ পুঞ্জিহনলিবা কম্মনৱেল্থ হ্যুমেন রাইতস নেটৱর্কসকসু মরী ফজহনলি। সি ঐচ আর আইগী মেদিয়া য়ুনিতনসু হ্যুমেন রাইতসকি হীরমশিং শোয়দনা মীয়ামগী ৱাখলদা লৈহনলি।

## ঈ-পাউদা চঙবা:

সি ঐচ আর আইনা সিবিল সোসাইটি অমসুং গবর্ণমেন্টশিংনা থবক তৌবদা খোঙজেল য়াঙহনলি, মপাঙ্গল কনবা লেজিসলেসন শৌগৎপদা টেকনিকেল এক্সপর্টিজগী মরু ওইবা শরুক অমা ওইনা লৈ অমসুং অফবা চৎনবী থবকশিং চৎনহনবদা তৌমিন্নরিবশিংগী মতেঙ পাংই। সি ঐচ আর আইনা লৈকায়গী কাঙবুশিং অমসুং ওফিসিএলশিংগা খুৎশন্নদুনা থবক তৌমিন্নৈ, পোলিসি শেম্বশিংগা লোয়ননা সরকার অমদি সিবিল সোসাইটিগী তৌবা ঙম্বশিং শেমগৎলি লোয়না-লোয়ননা শৌগৎলি। সি ঐচ আর আইনা সাউথ এসিয়াদা মথৌ য়াম্না পাঙথোকখরে, হন্দক্তা ইন্দিয়াদা জাতিগী ওইবা আইন অমা হায়না খঙম্বা মায় পাক্লা চঙশিনখিবা খোঙজংদসু শৌগৎখি; অফ্রিকাদা লিগেল ড্রাফটিং সার্পোট অমসুং ইনপুটসু পীবি; অমসুং পেসিফিক্তা লেজিসলেসন্দা চঙন্নবা থৱায় হেন্না য়াওবদা থুজিহন্নবা রিজনেল অমসুং নেসনেল ওর্গনাইজেসনশিংগা লোয়ননা থবকসু তৌমিন্নৈ।

## ৱায়েন-পথাপ ফংহনবা:

পুলিস রিফোর্মস: লৈবাক ময়াম অমদা পুলিসশিংবু নাগরিকশিংগী ঙাক-শেনবীনবা ওইনা উবগী মহুত্তা ষ্টেটকি ওৎপা নৈবগী খুৎলায় ওইনা উই, মসিগী মহয় ওইনা পাক-শন্না হকশিং খোঙ্গাওনবা অমসুং ৱায়েন-পথাপ ফংহন্দবা থোকই। সি ঐচ আর আইনা পুলিসপু হৌজিক হৌজিক পায়রিবা সরকারগী খুৎলায় ওইনা শীজিন্নবগী মহুত্তা রুল ওফ লো চৎনহনবগী থবক পাঙথোক্লনবা সিষ্টেমিক রিফোর্ম শৌগৎলি। ইন্দিয়াদা, সি ঐচ আর আই প্রোগ্রেমনা পুলিস রিফোর্মগীদমক্তা মীয়াম্না শৌগৎনবা শেম-শাহনবগী পান্দম অমা থম্মী। ইষ্ট অফ্রিকাদা অমসুং ঘানাদা, সি ঐচ আর আইনা পুলিসনা দায়ী ওইবা অমসুং পোলিটিক্সনা খুৎ-থিংজিনবগী হীরমশিং মুন্না য়েংশিনলি।

## প্রিজন রিফোর্মস:

সি ঐচ আর আইনা কুইনদগী কুপশিন্দুনা লৈরকপা সিষ্টেম অমগী মনুং-মপান ফাওনা উহনবা হেনগৎহনবগী অমসুং অরানবা লমচৎ-চৎপগী হীরমশিং উখোকপদা হেন্না পুক্নিং চঙই। য়াম্না চাউবা শরুক অমনা লিগেল সিষ্টেমগী মায় পাক্তবশিং মসিগী ফলনা তমথীনা মীচিনবা, ভাবনা লাম্বা ফংদনা বিচার চথদ্রিঙৈ মমাঙদা শাংনা ফাদুনা থম্বা অমসুং হেন্দোক্লা জেলদা লৈবা উৎথোকপদা অমসুং হকথেংননা খুৎ থিংজিন্দুনা মসিবু লায়হনবদা মখোয়না মায় ওনশিল্লি। অতোপ্পা ৱাখল থাদবা শরুক অমনা পুল্লপ মায় পাক্রুবা প্রিজন ওবর্সাইট সিষ্টেমবু অমুক হন্না হিংগৎহনবগী পান্দমসু থম্মী। হায়রিবা হীরমশিংদা পুক্নিং চঙশিনবনা জেলশিংগী এডমিনিষ্ট্রেসন্দা চাউখৎ-খোঙথাঙ পুরকপা ঙমহনবগা লোয়না-লোয়ননা মপুং ওইবা ৱায়েন-পথাপকি এডমিনিষ্ট্রেসন্দা থুক লাউবা অচৌবা অহোঙবা অমা লৈগনি হায়না সি ঐচ আর আইনা থাজে।

# অহলশিংগীদমক্তা তমশিনগদবা অঙাংশিংগী লাইরিক অমা

Friedrich Naumann STIFTUNG FÜR DIE FREIHEIT

য়ু এস ও হাউস ৬, স্পিসিএল ইন্সটিট্যুসনেল এরিয়া, ন্যু দিল্লি – ১১০০৬৭, ইন্দিয়া
ফোনঃ +৯১-১১-২৬৮৬২০৮৬৪, +৯১-১১-২৬৮৬৩৮৪৬ ফেক্সঃ +৯১=১১-২৬৮৬২০৪২
www.southasia.fnst.org / www.stiftung-freiheit.org

দেলেগেসন ওফ দি য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন টু ইন্দিয়া

৪৯, সুন্দর নগর, ন্যু দিল্লি – ১১০০০৩,
ফোনঃ +৯১-১১-৪২১৯৫২১৯
ফেক্সঃ +৯১-১১-৪১৫০৭২০৬, ০৭
ৱেবসাইতঃ http://eeas.europa.eu/delegations/ondia/index_en.htm

মসিগী রিপোর্ট অসি য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী শেন-থুমগী মতেঙগা লোয়ননা পুথোকপনি। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন অসি কনাগুম্বা মখোয় মশাগী খঙবা-হৈবশিং, রিছোর্সেস অমসুং পন্থুঙফমশিং তপ্না-তপ্না পুল্লপ মরী লৈনহনবদা লেপখ্রবা মেম্বর ষ্টেট ২৭ না শাবনি। পুল্লপ-পুন্না চহী ৫০ শুনা চাউথোরকপা তাঙ্কক অমগী মনুংশিদা, কলচর ময়ামগী খেৎনবশিং, তোলরেন্স অমসুং মীওই অমমম্গী মনীং-মখা তম্বশিং ঙাক্তুনা থম্লিঙৈদা মখোয়না জোন ওফ ষ্টেবিলিটি অমা, ডেমোক্রেসি অমসুং তুং-কোয়না চাউখৎনবা পোরমশিংসু শেম শাখ্রে। য়ুনিয়ন অসিনা মখোয়গী থবক্কি মহয়শিং অমসুং ৱাখল্লোনশিং মখোয়গী ঙমখৈগী ৱাঙমদা লৈবা লৈবাকশিং অমসুং মীওইশিংগা শরুক য়েন্থোকমিন্নবদা পুক্লিংচঙশিনমিন্নবগী ৱাখল্লোন থম্মী।

মসিগী রিপোর্টতা য়াওরিবা মচাকশিং সি এচ আর আই খক্তংগী দায়ী ওই অমসুং করিগুম্বা ফীভমশিংগী মখাদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী ৱাফম ফোঙদোকপনি হায়না লৌবা য়াদে।

কম্মনৱেল্থ হ্যুমেন রাইতস ইনিশিএটিব

৫৫এ, থর্দ ফ্লোর, সিড্ডার্থা চেম্বর্স, কালু সারাই, ন্যু দিল্লি ১১০০১৬, ইন্দিয়া
ফোন: +৯১-১১-৪৩১৮-০২০০, ৪৩১৮-০২০১
ফেক্স: +৯১-১১-৪৬১৮-০২১৭
info@humanrightsinitiative.org, www.humanrightsinitiative.org